
চীংশুবা শামুগী

# শাগী লৈবাক





ইজবা :

চৌংশুবা শামু

অকোওবা :
অইবা—মশামক




অহানবা কোওবা, ১৯৯০
কপী মশিং ১০০০

মমল : লুপা ১০/- (অচম্বা)
লুপা ২০/- (অথম্বা)



---

নম্বম : প্রোট্যাপ প্রিন্টিং রাম্ম, পাওনা বাজার

# কৎচবা নখোং থম্বালদা

হে লাইনিংথৌ
খোয়িফাবা ইবুংঙো
নংনা নিংঙাই ভৌরকপদা
ভয়ত্রবা থেম্নবা
জগৎ পুম্বনা
নোকপিখিবগুম হরাওনা
খেক খেক লাওনী
লৈশং খেরাইববু উরগা,
নিংঙাই চাওরবা
অপাম্বা, কন্নকপা, মীহোৎনা
থেম্নবা ভমত্রবা
মীওইবগী পুক্লিং রাখলবু
থেমজিনজবা ভয়জবা
পিনবিয়ু হায়না
কৎচরি নখোং থম্বালদা
শাগী লৈথাক।

চাংগুবা শামু
নম্বোল বাজার

# য়ারোল থরা

নিংতম্বা লৈবাক অমদা মী অমা ওইবগী নিংতম্বা লৈহল্লক্তুনা জজনদা শাগী নিংতম্বগুম অঙম অঙম্বা চাথেংক্লবগী নিংতম্বা অমা লৈহল্লকপা। প্রজাগী সাসম্না প্রজাগী ওইরক্কবা, মীয়ামগী মীহুৎনা মীয়ামগী থনলক্কবা, সাসন পায়ববু থোকই হায়বতা থোকহনবা য়াবা তম্ফা থুদোপ য়াইওইবা অমা ফংবগুম থম্নরক্‌না সাসনভা পায়নবগী-দমক অঙম অঙম্বা শেং শেংতুনা মুম্নরকপা অহুগা মানা মানা পায়রিবা মন্ত্রলোয়গী লোয়শংনা মাগী মাগী পুককৈ লনগৈ ওইনরক্লবা, লৈবাক ঙাকপগী মহুৎতা মরাম্নাইগী অন্নানবা Politics, Power, Post, Property, অমসুং Prestige অহুতা ঙাকশেম্নবা হোৎনবদা শা ওন্দুনা জজলগী সাসন তৌয়ক্‌না ওৎ নৈরক্লবা লৈবাক অহুনি শাগী লৈবাক। লিলা অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা শ্রীপি, কোকঙ্‌ং সিংহনা মতেং পাংবীবগীদমক্তা পুন্সিগী ওইনা শিংবা ঙম্নবোইদবা নমন অমা তোনশিনজরবনি।

চাওবা শামু

# লীলাদা য়াওবা মীওইশিং

নিপাগী শকতম :

১। কৈরেল অচৌবা– চহি ৬০রোম শুরবা লৈবাক অমবু
শাগী লৈবাক শনহনবা প্রজাগী মীহুৎনা
সাসন তৌবা লৈবাক অংগী নিংথৌ ।

২। কৈজেংলাই য়াইমা—কৈরেলগী P.R.O. (চহি ৪০ রোম
শুরবা)

৩। কৈমু —চহি ৫০রোম শুরবা
Police লোইশংগী মকোক

৪। কৈশাল —Black wolf হায়না খংনবা সরকারগী
থুনায় শায়রবা কাংবু অমগী মকোক।

৫। কান্নন চহি ৫০রোম শুরবা Police লোই-
শংগী মকোক ওইনা থবক পুরম্বা মথংদা
সিকাইগী মকোক থোংবা ওইনা থবক
পুরবা অমা।

৬। মালি —মীয়ামগী কোহুংদা মালি ওইবা অমা
(চহি ৬০ হেল্লবা)

৭। য়াইশিংপা – মীয়ামগী কোহুংদা য়াইশিংপা অমা
(চহি ৬০ হেল্লবা)

৮। মঙালসা চহি ২০রোম শুরবা হায়শিংগী লুচিংবা

৯। অতৈ অতৈ শিকাই থবা, Black wolfকী মীওই থবা,
প্রজা থবা ।

নুপিগী শকতম :

১। লৈবাকলৈ :– চহি ২৫রোম শুরবী খোজুল লিখি নুপি
কাংলুপকী লুচিংবী।

২। অতৈ অতৈ খোজুল লিখি নুপী কাংলুপকী মীওই থবা।

# শাগী লৈরাক

কোন্থংনি, মীয়ামগী কোম্নুং। প্রজাগী মীহুংনা সাসন তৌবা লৈবাক অমগী মপী মপা ওইবশিংগী লৈকমনি। কোম্নুং অহুদা প্রজাগী মীহুং ওইনা শাহিং চাবশিংনা অমগা অমগা চিক্ক-চিক্কত্তুনা মথং-মথং পাল্লকলি। অঙম অঙম্বনা ভাইহাক ভাইহাকী লৈবাক্কী মপী মপা শাশিন্নরি। করম্বা মপী মপা। শীনিংদবা অমর ওইত্তুনা ঙম লৈনিংবা পেম্মা চারগা হৌদোকপা ঙমদ-মথৈ তুম্বা তুম্মীতৈদা খর হোনবদা মপান্দা লৈরম্বা প্রজা কয়া মনাতোন্দা মথায়াংতা পায়শিন্দুনা হোনজিনখিবা অহুঙম্বা মপী মপা।

অসিঙম্বা কোম্নুং অসিদা থবক তৌত্তুনা লৈবা লৈকোল শেম্বা মালি অমগা রাইশিংপা অমগা মাগী মাগী মথৌ তৌনা তৌনা রারী শারি। কোম্নুং মমাংদা লৈবা নিংথিনা শেম শারবা লম্পাক নচা অমগী অকোয়বদগী ফজ-ফজরবা লৈরাং কয়ানা মকা ফম্না শাংলিবা লৈকোলগী শরুক থরা উরি। লম্পাক মচা অহুদা মপুং চনবা ফজরবা ফমফম কয়াম্থু মফম চানা চানা থিল্লি।

রাইশিংপা—( রাই শিংলম্বদগী থাং তিংথংতুনা ) মালি অচৌবা অমা লাকলম্বগী চাইবসিদি শিংতোক শেংদোকপগী লোইববু স্থকনাই হেক নাইদেদা। চাওখংতনা ফজনবা শেম্বশিদি অমোংপা মথক্তা পলিচা থাবগা চপ মাম্নবা জাংনিকো। পলিচা অহুম্থু পংপা অমোংপা অহুম্থু পুমহুনা নমথিবা।

মালি—মসিদা চাইরিসিবুদি খরবু ফরিদা। মপান্দা লম্বী পরেং অম শম্বল খাবগীনি হায়দুনা কে.ইলাস মথক্তা তৌখায়রিদুনিনে

রাইশিংপা—অদুবুদি পুয়াদা য়াওই হায়বনিদা।

মালি— (ওরা) পুয়াদা করি হায়না য়াওরিবা ?

রাইশিংপা— লম্বীদা শম্বল খারনি। কোইলাস মথক্তা লৈথোং থোক্লনি। সহরগী মযাইদা ফত্ত হাওখি পৈরনি। হুয়িং থো য়াম্বীনা কৈথেল কারনি। গলি গলিশিংগী লম্বী ময়াইদা অপুম· অশা চেম্বুখিনবা নালা ওইরনি। মপাল কাংজৈবুংনা সহরগী ময়াইদা মকোক ইফা ফা, মফি ইমোং মোং লুখাক-চগুম খুন্দুন চারনি হায়না য়াওই হাযবনি।

মালি—ও। পুয়াদা য়াওবহুননিদনা। করি পুয়ানো মদুবো ?

রাইশিংপা—ছাবী জাবী পুয়া হায়বরা কৈনো খংদেদা। সিদস্থু নত্রি থবক য়োনবগী হুকান ফমলনি। লৈবাক্তী লোইশংশিংদা ফুরিখাং চপকয় ওইরনি। রাম রাজ্যদা রাবননা সাসন তৌরনি মহাপুরুষ, মহত্মা, মহাপন্দিত কয়াগী মণ্ডন শবক শকলদুনা রাম রাম শোল্লগা মী চারনি হায়নস্থু য়াওরিবনি তেকেশিনজো।

মালি—যুগসে লোইশিল্লকলমালেদা। 'ক' না হৌবা মফমদা লোংলু হায়বা মতমদো য়ৌশিল্লকলবা জাংনি। তাইহৈদবা ভাহাক্তা তারে, থোকহৈদবা ভাইহাক্তা থোক্লে।

রাইশিংপা— অদুনিনে মালি, শাশিন্নবা তাংশিংদা অচুম্বনা লৈ পরেং হুকতুনা ওকলি। তথং খংদবনা অথং-অহৈ শাদুনা ভাংলগা অথং অহৈশিংনা ফমদুনা তারি। অসিগুম্বা ওমা তৈনবা ভাই· হাক্তা থোকলিবনিনে যুগসে।

মালি— হন্দক মহাপুরুস শাহ্নুনা লাকলম্বহ্ন্বু হত্তোইগী সরকারহ্ন শেম্বদা লাক্লম্বা সরপেণ্ট হায়নবহ্নরা ?

রাইশিংপা— ( ঙাইহাক খল্লগা ) নত্তমানেদা ভূলচর হায়বরা করিনো, হায়ববু থোক্কেদা ।

মালি— অহ্নুনা করম্বা ঙাংনো ।

রাইশিংপা—ঈ থকপা শহ্নম চাবা উচেক্কী ঙাং ওইরমানে কৈরেলগী সরক রসিগী মন্ত্রি খর রাশক লৌগদৌরিবসে অহ্নগী লাকলম্বা ওইরমানে ।

মালি— হাবত্তি হাকমল্লে়ে । চহি খুদিগী সরকারগী বায়রা, সরকারগী শেম্বা, রাশক লৌবা । হুইগী সরকার ! প্রজা মগ্নাম্না দোলায়দা তোংচল্লগা থিগং উরপা চোংথবা । য়েংগী সরকার ! শেরফালা পায়হ্নুনা তল য়েনবগী সাসন, অহেন অহেনবা চাথোকপদা মমৈদা প্রজাগী লৈহৌদবা ! হত্তোইগী সরকার ! ফন ফন চোংশিন্নরকপগা শেম্বা । সরপেণ্টতা চানবা চংপদা প্রজাগী অধীকার পুম্বা সরপেণ্টগী মচিঙ্গাক তমথোকখিবা । হৌজিক্কী অমুক কৈরেলগী সরকার ! লুপ্পদা তৌগদবসে ।

রাইশিংপা— ( খোল খরা কল্লপ ) অমোংপা অহ্নদি শিংতোকতে । সরকার পায়রবনি হায়হ্নুনা অনৌবা পাইরকইবা কাংবুহ্ন-সু ফম্ববু ফংহৌরবদি হায়হ্নুনা মথং মথং অপুম সাপা মরক্তুদা ফমজিনবদা মশা অহ্ন পুমইতে তৈরে ।

( শুমজিং থাঙ্গৎতুনা ) মালি, শুমজিংসিংকা শিংতোকপা য়ারবদি অমোংপশিংদো ফরং মরং কম্বৎতুনা অমুক্তংদি শিংতোকনিংগ্রেদকো সত্য ।

মালি— ( খোন পীকথনা মী য়েংহ্নুনা ) হে অমোংপা শিংতোকপা হায়বহ্নদি পল্লকহ্ন ।

রাইশিংপা—(ওন্না ) করিগী ?

মালি—অশাওবীনিনে কাখিহ্নুনা তোক্তনিকো। মীয়াম্না লাওরি অমোংপা কোকহল্লু, অমোংপা কোকহল্লু হায়য়না। অদুবু মখোয়দি থওইনা অমোংপা কোকখিনি হায়হ্নুনা নিকাইনা ভাকহল্লগা মোংচরিবনিদি।

রাইশিংপা—হন্দোইবা অমা য়াওরেদা খোইদৌ থেনবা ঐখোয়দি থজিনসে ফাথত্রবদি লৈবা য়াদ্রে।

( শুমজিং থমজিনবা চংখি )

মালি— ( ভাংহ্নুনা লৈহৌই ) নপুক ফাথবা ওয়্দবা নখোয়দি ওনিংবা ফনবা গুলি খর খর পুহ্নুনা চংলো।

( মতাংসিদা কৈরেলগী PRO য়াইমা কৈজেংলাই অমস্তুং Student Unionগী President মঙালস্না চংলকই। )

কৈজেংলাই— ( মঙালস্নাদা ) ইবুংঙো ঐ চংলগা উনবা য়ানবা অমুক্তা শিন্নুখিগে। ( চংখি )

মঙালস্না— ফনি তামো। ( লৈহৌই )

( কোনুংগী লম্পাক্তা লৈকোলগী ময়া ময়াদা শেমহ্নুনা থম্লিবা মুংনা চনবা ফমফম অমাদা চংহ্নুনা ফম্মী। )

মালি—ইবুংঙো য়াম্না ওন্না চংথে রকইদা। ইবুংঙোখোয়গী ছাত্রশিংগী রান্নিদো য়ানত্রিবরো ?

মঙালস্না—কাদায়দগীনোদা খুবা। ঐখোয়গী দ.বীশিং অদু লৈবাকী ফনবা ওাইহু ফনি। অদুবু করিনো থংদে লৈবাকী মপী মপানি হায়হ্নুনা তৌরিবশিংসিনা থজিবসে।

মালি—হোয়নে ইবুংঙো। মহুদি প্রজাগীতা নত্তে, মখোয়গীসু ফনবনি, নত্রনে ?

মঙালম্না— অহুবু খল্লবদি কৈনে। অহুদি নত্তে, মখোয়গী মাইরোক্তা লাওৱিবনি হায়না খল্দুনা ঐখোয়বু মপাল থোকপা য়াদনবা ঐখোয়গী লম্বী ময়াম থিংজিন্দুনা খোং অসে থাংকমবু লৈত্রেদা খুরা।

মালি— করিগী লৈরোইদোরিনোদা ইদ্রুংভো। মসিগী লম্বী অসিদি থিংজিনবা য়ারোইদোব', লোইবা খল্বা নাইবরোইদবা অমগী মথংদা অমা মথং মথং অস্তুম চংখিগদবা লম্বীনি। লম্বী অসিদা লৈবাক্কী লুংভাই য়াইফনবগী দাবী কয়া পুত্থনা খোংকম অমা অনিদস্থু থাংত্থনা চংলমলিবদো লাইবক ফবনি ইবুংভো।

মঙালম্না— চুম্মী খুরা, লম্বী অসিদা থম্মোই শেংনা অচুম্বগী মৈরা পায়ত্থনা অহুগী মঙালদা অস্তুমক চংখিবা ভম্বশিংদো মরাইবক ফবনি হায়বা ভাই।

(মতাংসিদা খোঙ্গুল লিবি হুপি কাংলুপকী লুচিংবী লৈবাক'ল অমস্থুং অতৈ খরা চংলকই। "খোঙ্গুল লিবি হুপী কাংলুপ" হায়না থাবা Badge অমমম থেংলি। File অমস্থুং Dairy নচিংবা শাইনরকই।)

লৈবাকলৈ— (মঙালম্না উবদা) এ: ভামোস্থ লৈরম্মীনা। অঙম অথৌ উনবীগদোম্বিবরো ?

মঙালম্না— উনগে ভৌবনি। অহুদা চংহন্দত্থনা লৈরম্মীবসিনি। করিগীনো খোঙ্গুল লিবি ময়াম লাকইসিনা।

লৈবাকলৈ— ভামো, ভরাং হুমিদাং মরাল লৈজদবা মী খরা শা খরনা মকম খংদনা চেন্দুনা পুম্রে হায়ত্থনা পাও পীরকই। অহুগী খোঙ্গুল লিবা লাক্লিবন্নি।

মঙালম্না— অহুদি শাপাওনিনা পনবা য়াবা নত্তেনে। কীথুল মুয়া থিগংহৌত্রবদি মাংখিনিকো।

লৈবাকলৈ— মাত্রেদা তামো লৈবাক অসে। মফম খংদনা হাংলমমেগা ফাহুনা পুত্রেগা, থোকখিবদগী হনজিলকত্রেগা অসি ভাইহাক্তা ভাইখরে। ঐখোয়গা থেংনহৌবদগী থাদোক্লমনসু কোঙ্গাই অমা।

মঙালসা— ( মুংভাইতনা ) খংত্রেদা লৈবাকলৈ পুন্সিসে। মীওইবগী অধিকার মাংশিল্লকপসিদা হিংবগী অর্থবু লৈত্রে। মীওইবা অমা ওইনা শেঙবা য়াদে, চাদবা য়াদে, অহুবু অওং অনৈ ময়ামসিদা শেংতনা চাদনা শিবনবু ফরত্রা থল্লে।

লৈবাকলৈ— তাম্বা মী অমগা মী অমগগী মরক্তা লৈনরিবা থাক অসে অম্বুক্তী মতিক থেংনরিবমথৈ মীওইবগী অধিকারসু অম্বুক্তী মতিক মাংশিল্লকপা ত বনি। মী কয়াগী ফংফম থোকপা অধিকারসে কা হেন্না থাক রাংখৎখিবা মখোয় খবতগী মখুৎতা লৈরকপা ভাবনি। জঙ্গলদা অকনবমা শাগী নিংথৌ ওইব-ঙুম মখোয়না মীওইবা মরক্তা শা নিংথৌঙুম লৈরকপা তাবনি। অম্ভুমা অধিকার মাংশিল্লকপগী খুদোংখিবা অসে থিংগে হায়রবদি মসুংদা চেল্লিবা মী অমগা মী অমগগী থেংনবা থাক্তী তমখিরবা ইচেল অসি থিংরা তাবা নত্রনে ?

মঙালসা— চুম্বী লৈবাকলৈ। অহুবু মীয়ান্না মীওইবগী অধিকার মাংশিল-লকপগী হাকথেংনরিবা অরা চৈথেং অসি লায়রবগী শেংপা ফংদে চাবা ফংদে হায়রুনা কোইথোক্‌না থল্লি। মীওইবগী থেংনবা থাক অসিদগী ওইতল্লিবা অওং অনৈ অসিবু নাকোয-ননা অশোল অনা লৈহেত্রে হাযনা মরন্নাই ব্রাজরি। ইনাক-খুনবা শেঙ্গাও পায়বশিংনসু শিরোই নারোইদৌবঙুম থল্লি। মখোয়সু শোন্থরক্লবা, নংথরক্লবা মতমদা অসিগুবা থেংনবা থাক্তগী ওইরিবা অরা চৈথেং অসি কংলক্তনি হায়বসে উবা ঙমদে।

মালি— ( থৱাই য়াওনা তারম্বদগী ) অহুনি ইবুংঙো, শেঙ্গাও পায়রবনি হায়হুনা ফল্লমশিংহুনা কিহ্মরক্তুনা নংথৱকপহুদি য়েংবস্থু ওমদে। মথোয়স্থু লায়রবগী চৈথেং অসি মশাদা ফংলকপদা শেঙ্গাও পাইবশিংবু চৈরকই।

লৈবাকলৈ— খুরা, ঐখোয়না লাওরি "মান্নবা থাকী নিতি"। সমাজগী মঙ্গুংদা চেল্লিবা মী অমগা মী অমগগী কা হেন্না থেংনবা থক্লিবা ঈচেল অসি থিংনবা পলদি "মান্নবা থাকী নিতি"। পুন্নমক অহু মশিতনা কোকহনগদবনি খুরা।

মণ্ডালম্মা— ( খোঞ্জেল থরা হৌনা ) "মান্নবা থাকী নিতি"।

( মালি অমস্নুং ব্র ইশিংপা থংহৌদনা থুমদোকখিবা )

মালি অমস্নুং

ব্রাইশিংপা— থমগদবনি।

( মত্তাং অসিদা কৈজেংলাই থোরকই মালি, ব্র ইশিংপা কিযি ক্রিকম লৈকোলগী মরক্তা চংখি। )

কৈজেংলাই— ( মণ্ডালম্মাদা ) ইবুংঙো ওসিদি উনবা কয়া নুংঙাই-ররোই হায়রেনে। মন্ত্রি থরস্থু ব্রাশক লৌগনি হায়হুনা তৌনরি। অহুগা ওসি প্রযেংদি য়াম্না চিল্লি হায়রকই।

মণ্ডালম্মা— কৈদোঁৈঙ উনবা য়াগদগে ?

কৈজেংলাই— থংদে অতুকদি অমত্তা চায়রক্তে। ছত্রশিংগী দাবীশিং অহু মরম চাদে হায়হুনা পঙাংঙা ওাংই।

মণ্ডালম্মা— ( শাওনা ) করিনো মরম চাদে হেক্তা হায়রিসিবো মরম চাদবা ফনা ওইরম্লবস্থু অফ কত্ত্রমথন থম্নদনা মরম চাদে হায়রগা হেক্তা য়ারবরনে ? Judiciary গী মথক্ত Lagislator শিংনা লৈংনবীগন্থু। Law and order গী থবক্তা Lagislatoı শিংনা শেম্না নমকুগী আইন চংহনবীগন্থু।

মীয়ামগী মিং নাকোং ওইরিবা Press কী নিংতম্ববু নমথবীগনু। লৈপাকী মক্ক মক্ক ওইবা মফমশিংদা অমম্তুং police Station শিংগী মনাক মনাক খুদিংদা Press cen-tre হাংদোকপীয়ু। মফম মফমতুদা থোকপা Crime শিংদা শেমজিন শাজিনবা অমস্তুং শেনজা থুমজা য়াদনবা Policeকী F. I. R. দা মফম মফমতুগী Pressকী envestigation report য়াওহনবীয়ু। য়াথোক লাম্হোক কয়াগী বীচারদা মফম মফমতুগী Pressman শিংগী Press Statement মু পুথোকতুনা খন্নবীয়ু।

লৈবাকসিদা অতুম্বা administration গী Nature অমস্তুং administrative approval শিং অতু পাও চেশিংদা কোংদোকতুনা মীয়ামদা খংহনবীয়ু। শেমগৎ শাগৎপদা থাদ-রিবা শেনফমগা শেমগৎ শাগৎলিবা থবকশিং অতুগা খন মায়নবা থবকশিং অতুগী Measurement তৌবদা তোঙান তোঙানবা দলশিংগী মুটিংবশিং য়াওবা inspection com-mitee অমা য়াওহনবীয়ু হায়বনচিংবা অসিবু যরম চাদবরনে ?

কৈজেংলাই— ( থৌ য়া ইশা শাদনা ) খংত্রেদা করি হায়গদবনো।
অতু পুয়মক্তো ঐতোঙ্গা হায়রগা ওইবা য়াবা নত্তেদা।

মঙালম্বা— তাংনদৌবতুবু তাংনশি য়ারিবয়ো ? মসিদনিনে লৈবাক অসিদা লাংইবসে। ( শাওনা থোকখি )

লৈবাকলৈ— ঐথোয়দি হৌজিকমক উবা লাকুদবকা য়াবা নত্তে। মী মাংখ্রিবদো পরপ পরপ থিহৌত্রবদি ফংলোইদৌরিবনি।

কৈজেংলাই— ( শাওরপ ) মী মাংখ্রগা মফমসিদা থিকমলনে।

১বা মুপী— ও ইবুংঙো মী চিকলমলে শোনদা চেনশিনখিরে, চারম্মে শোনদা চেনশিনখি, চেনতুনা পুম্রে শোনদা পুশিনখি। অসিবু প্রজাগী মপী মপাগী লৈফয়ো নত্রগা শাগী মকোল্লা ?

২বা ভুপী— মীচম প্রজাশিংবু শরাক তমহুনা অকনবনা অচুম্বা শক্তান লৈবহুরা অভম্বা হায়রিবসে ?

লৈব'কলৈ — শানা মীবু শা তাম্নংদোনা কোইতাল ত'মহল্লিবসিবু করি-গীনো ? অচুম্বা পামজবা, অচুম্বা চংচবা কয়াবু মপাল খোকত-নবা খোরকপদা শরাক তমগদবগী খোরাং কয়া তৌরিবহুবু করিগীনো ?

(ভুপীশিংদা) চংহন্দবকা য়াবা নত্তে। চংশি লাও।
(খোঙ্‌ললিবিশিং নমহুনা চংখি। কৈজেংলাই উপায় লৈতহুনা লেপ্তুনা লৈহৌই।)

কৈজেংলাই— (মতোমতা) অহু য়ৌরবদি নখোয়না খোকপা তৌজরো। তৌফম অম শংবা জাং নত্তে। মরকসিদা মান্ত্র ওইনিংবা কাওবু-শিং অমসনা লৈবাকসিদা লাংইবাসাদ করিমত্তা শনবীবা নত্তে। মান্ত্র ওইরগা লোইরে সিতনি মখোয়না খল্লিবা। হয়েং হংচিংত্তি মন্ত্রিগী রাশক লৌরান হরাওহুনা লেপ্পুবনি। রাশকনি হায়রগা হরাওবসে মন্ত্রি ওইবগী রাশকপসিনা মহেক্লেকো। রাশকপসিদা অমোংপা অমতং তৌবদা ইপা ইপু পুম্বা নরক ভাগে, নোংমৈ শিংজং পান্দুনা শিগে হায়না য়াওরকাওবা রাশকখিগদৌম্রিবনি।

(মালি অমম্মুং রাইশিংপা লৈকোলগী মচি অমদা লৈরুবদগী খোরক্তুনা কৈজেংলাইদা হংই।)

মালি - ইবুংঙো সাহেব, কনা কমানো হন্দক মন্ত্রি ওইগদৌরিবসিবু।

কৈজেংলাই — মকম খংবা নত্রিদা। অমম্মু ওইনি হায়, অমম্মু ওইদবা য়াদে হায়। মখোয়সিদি অঙাং মচাগা চপ মান্নবা জাংনি। ঐগীম্মু মন্ত্রি অমত্তা, ঐগীম্মু মন্ত্রি অমত্তা হায়বসিনবু পু থাংবকা ঙম্বা নত্তে।

য়ালি— অহুদি থাইনগী থোকউ হায়বক্তা হোকপা মঙ্গে থেজ্ঞ, য়াইওইবগী হারিদো ভারিকো।

কৈজেংলাই— (থংনিংনা) করি তৌরিবা মঙ্গে থেজ্ঞ, য়াইওইবহুদি?

মালি— (ইকোই কোইদনা) হেরা শুমদৌবনিদা সাহেব, থাইনা চায়াম পোকপা মপা অমনা লংখৈদগী থোকউ হায়বক্তা থোক-হনবা য়াবা মঙ্গে থেজ্ঞ, য়াইওইবা অমা পুরকপা জাংনিদা। থোকউ হায়বতা থোকই হায়বহুদা মচা ময়ামহু নংতৌররোই মতাগুম পাবা ঐগীস্থ অহু থোকহল্লু, ঐগীস্থ অহু থোকহল্লু ঐগীস্থ ঐগীস্থ হায়হুনা পুমলাং হেক লাংবহুদা মপাহু তৌকম থাদহুনা শাওবোই করিবোই হায়হৈদবা অমা পন্দুনা হেক হল্লবা জাংনি। অহুদা অমাংথোংগী অমাংথোং ভাইহাক্তা থোরকই হায় অহুগী হারিহুনিদা।

কৈজেংলাই— (নোক্তুনা) হা, হা, হা, ফমবু নাতে চারিনে। মতুং মনাও ঐগীস্থ ঐগীস্থ হায়হুমা কোইলাং লাংনদনবা অহুম্না হেক থোক্লবদি ফগদবনি।

(নোংমৈ কাপ্পগী মখোল ভুই পাখংলৈ।)

মালি— (পাখংনা) নোংমৈ কাপ্পরমানে।

রাইশিংপা— (কিনা) শোমদা অমুক চেনশিল্লক্তুনে।

কৈজেংলাই— শোমদবু চেনশিল্লক্লবদি মথরাইদো মাংলেদনা। সিফাইগী সিফাই ভাক্তা ভাক্লিবসে উত্রা?

রাইশিংপা — (স্বর মপী হোন্দুনা) ঐদি চেনশিল্লকপ্রা হায়বগী পংকিদা কিজগ্রে। হৌজিক্তা চেনশিলখিবদো কদায় চংগ্রে হায়হুনা হুবদা ঐ ওবা য়াওগ্রবনি।

মালি— নংসিদি ওদ্বোরা কিগনগ্রেহে। হুম নৈরম্মু gato কাও থোক্লগ্না মেংঙুগে, পাউ লৌরকে। (থোকখি)

রাইশিংপা— থোকখিদুনে মালি। হৌজিক সাদ তকথং খংদে তকউ উদে হায়বদুনা মঙ্করবনিনে। (কিনা লৈহৌই।)

কৈজেংলাই— ঐদি হাংতোক্লবগী জাৎসিদি চেক য়াম্লিবগী হাংতোক্লরো হায়রিবনি। ইরাং হৌরিবা মথোয়সিনা খরা য়াম্না শিনরগা লৈবাক অসি ইংগদবনি।

রাইশিংপা— কদাইদগীনোনে ইবুংঙো সাহেব, লুপ্লিবদি ইরাং হৌবশিংনা শিখিবদু নত্তে। ইরাং হৌনবগী থমলিবা মরমদুনিনে। লৈবাকসে ইংগে হায়রবদি মরমদো কোকতুনবা তাবনিনে।

কৈজেংলাই— (শককম ঙনজিন্দুনা) খন্দুনা য়েংউনে, নিংতম্লবা লৈবাক অমদবু নিংতম্লবগী হৌরিবা ইরাংশিবু মরম চাত্রনে?

রাইশিংপা— সাহেব, খুরুমজাইদি করিমুম খংজবা নত্তেদা। তৌবদবু তিনখোং লাইখোংদুনা অমোং অকায অমাং অশোয় কয়া তৌরুবদগী ঙাওরকইবা লৈবাকসিগী লাইশিং অসে মরম চুম্না তিনখোং লাইখোং থিরুগা অথুং অহৈ তাম্নদুনা লাইশক খংনা লৈবাক্তী ওইনা অজা পূজা কয়া তৌডনজনিংই। অদুনদি লৈবাকসিদা তুংঈ টাইর চল্লিবসে কোকজ্রা চাহোং ঙাহেংগত্রা খনজবগী য়ানিদা।

কৈজেংলাই— হৈরদা চাকহোং ঙাহোংলগা কৈদৌদৌরিগা? মথুংদি কোং গকাং লাওরগা চাকহোং ঙাহোংই হায়ড়না করি লৈরু-গেগে? (লাওহংলি) হানে করি লৈরুগেগে?

(রাইশিংপা কিনা লৈ, মালি চংলকই মথুংতা চে অমসু পায়রকই।)

মালি— (মুংঙাইতা) অমা শিহৌরে।

রাইশিংপা— (পাখংনা) কৈদৌবগীনি হায়বগে?

মালি— হাংতোক্লবগী য়ুগ হায়বদু তারেদনা। মরম হায়রবু মশক খংদবা মীওই থরনা হাংলম্মে লোইরেসে। অশিবনা মরাম্রাই।

কৈজেংলাই— অহুনা' শিংঙু, হায়রিবসিনি। সিদা লৈবসিদি অপংবদি লৈবা য়ারোই। অপংবশিংদি য়ান্না শিনরকখিদৌরিপোৎনি।

মালি— সাহেব খুরাখোইদি পংবিদা কিজগ্রে। অপ বা অশিংবগী রাকা লৈরেদা। ঐদি লানজদে কা হায়হুনা হি.গদবন্থু মাল্লকত্রে। চেন্থু চাইরম্মী হায়হুনা ময়াম খুরহোই। খুর স্থু কিনা কিনা অমা খুরকপনি। পাহুনা অমুক্তা য়েংগীয়ু।

( কৈজেংলাইদা চে পী )

কৈজেংলাই— ( পাবা ) লৈবাক অসিদা মোৎলিবশি.সিগী মরু সাসন পায়বশিংনা মোৎপদগীনি। সরক রগী লোয়শংশিংদা মীচং সম্ভ অচান মীরাই নাইরিবা, শেনজা থুমজাগী মকোল ওইরিবসে সাসন পায়বশিংনা মথক্তগী হৈথরকপা অমোৎপশিং অহুনি। আইনগী লোইশংদফাও অচুম অরান লৈরকত্রি।। প্রজাবু ভাক শেল্লিবা লাম্নীনা প্রজাগা য়েরুবগুম তৌহল্লিবসে সাসন পাংবশিংগী অমোৎপদগী পোকলকপা কা হেনবা অপুম অশানি।

( অসি ফাওবা পারগা খংসেপ লেপখি।
পরেং থরা তুমিন্না মখোল থোক্তনা পারগা
পাখৎনা চংখি। )

রাইশিংপা— কৈদৌরজাংনো পরপ পরপ চংগ্রিসিনা। ওন্থোক্লা নুংশি খিরেদা মসিগী কৈজেংলাইসে। কৈরেগ শাহুনা হেক ওাংবসিনা।

মালি— মশাসিদি ইপা পাখৎনা উই। মী হায়বা জাৎসিনা মথোয়না থাজবা হায়বদো অমফাও য়াওত্রবনি। মসিদনি মরাল লৈতবা ময়াম শোকলিবসে। নহালস্থু ঊশৈ শকপা থরা ফাই হায়হুনা তৌনরিবহুনি।

রাইশিংপা— অহুদি মশাদা খুংলায় য়াওরম্মানেদা।

মালি— ( ওক্লা ) করি করি খুংলাই য়াওরম্মীবা ?

বাইশিংপা—ঙবীনাকা বাঁশীকা য়াওরম্মী হায়রম্ছুদি।

মালি—হেয়া অহুবু খুৎলায় কৌত্রাদা।

বাইশিংপা— অহুবুদি খুৎলায় নত্তদি। ঙবীনা অহুনা দোং দোং হেক থৈশিল্লকও, বাঁশী অহুনা হেক শোংজিল্লকও মী শীরোইত্রো?

মালি—ওম্মোক ওম্মোকপা, মসিনা হেক হায়দোয়রকপা অমা।

বাইশিংপা — ওম্মোকপা নাত্তবে। চেকশিনজো, ঐখোয়দি ঙমজিং পুম্না চৎপদা করিস্ক তৌরোই। নংখোয়দি ময়া খাংগেকা হায়দুনা থাংকা কাত্তি অচৌবদো নোংফাদোক পুক্রবদা কারনা ফুগাইজপনি।

(মত্তাং ঙসিদা থে দুল লিবি খুপীশিং কিংনা কোমুং মখুংদগী থেরকই।)

লৈবাকলৈ - (মালিদা) কদায়দনো খুরা হৌজিক নোংমৈ কাগখিবদো?

মালি—ইবেম্মা কোমুংগী Gate মমাংদিমক্তদনি।

লৈবাকলৈ—(ঙক্লা) সিধাই মথাম পেমুনা লৈরিবা মহকাসিদা কোমুংগী মমাংমক্তদা হাংজোকখিসিদু কিনা শাম্লরিবা জাংলা?

মালি -(খোয়েল পিকথনা) খংদ্রেদা ইবেম্মা কিনা করি লিলানো? ঙকল ঙকলবা লাইহাক্লা তৌথোরকই। খুংঙাই খুংঙাইজে হায়রক্বা য়াদে। চুম্না য়েংলুরবা অহুম শিরে।

(কিথি কিক্কম লৈ)

১দা খুপী—(খুংঙাইজনা) অঙকপা লিলা হাযবহুনি। অশিবদা খুৎলাই য়েপশিনবিবা, কলমতা পায়না লৈজবা কবি অমনা শিরম্বদা কলমগী মহুত্তা নোংমৈ য়ুংওরম্বা।

লৈবাকলৈ—(খোইদো লাওগৎনা) খঙুবদা খোইদোসে মুম লাওগৎলকই। শাগী লমচৎ চৎপশিন্নি মপোকতা লা ওইনা

পোকহনবনি । ( ঙুপীশিংগা ) লাকও খোকওনি। কনহা শিঙ্গি বনো হায়রবো খোঙ্গুল লিকনি ।

( খোঙ্গুল লিবিশিং খোকখি )

থাইশিংপা— (মাশি) মাশি, অহাবা ঊশিংসে লৈবাক্ষবদি লৈনাং তারকই । থরবা য়ারক্তে । মকম চানা চানা লৈবা পোংশিং অমু পায় পায়হনবা লংখাইরবদি কায়হনা পুমচাই চাই । মখোল তাবিদে । মসিনি তৌরিবসে ।

মাশি— তায়, ঐপী নাকোংসে মখোলদি কনা য়ান্না মথক থংলে । নুং থাদবগী মখোল, টয়ার পোকথাইবগী মখোল, চিন কাওথাইবগী মখোল । অহোবা মখোল অমতং তাবদা করি মখোলনো হায়হনা লৈনবদা কোকসে তাওবা য়াওই ।

থাইশিংপা— ঐদি মাশি দোং লাওবা মখোল অমতংবু হেক তারবদি করি মখোলনোকা থনবা শংদে, মিতুল চেনথংলকপনা হেক্তা হায়ি ।

(মতাংসিদা কোমুং মপুংদগী লৈবাকী মপু কৈরেল অচৌবা নহা অমা অনিগা খোঁয়রকই । কৈরেল খোয়রকপা উবদা মাশি অমসুং থাইশিংপা লাপতকা লৈদোকখি ।)

কৈরেল— হৌজিক তৌনরিবসিদিনে ইবুংঙোখোয় । খোঙ্গুল লিবি ঙুপী কাওরুপনি হায়হনা তৌরিবসিনা পেং লাওবকাও য়ারবনি । অহনা মখোয় থরা লৈহনা চংলগা তাবা ।

১বা নহা— পাবুং মখোয়গী কাওরুপ অমু খিংজিনবা য়াবোইরা ?

কৈরেল— য়াদহনা তৌরিবনিনে । মখোয়বো Social Worker নি হায়রিবনিনে । অমু খিংজিন্নবদা Social Work তৌবা খিংই হায়রোইরা ? য়ান্না অুখুবা লাংনিনে তৌনরিবসে ।

২বা নহা— (কেমত্তা ৱাংলকপা) পাবুংবা পাল্লিরৌ ঐখোয়দু ঙমদি চাওহৌবা য়াইদা। হজোইশিংগী অাংঙৌ মখোয়না পাল্লিরৌ মখোং মথুংদা পুনবা লোইল্লিবা মথয়াংদা য়াংল্লিবা, মীমদা কেল্লিবা ভাচকুম্বদা কয়াদা চাওপ্রবা। হজোই খোয়োম্বীনদা পোংবা মথৌ, তোংশাংনবা কনবরো হৌজিক কাওবা খোইদোমে শাওথংলিবনি।

কৈরেল— কদায়দগী করকনো মশিনা অমুক ৱাংলকইবশিমা। ৱাংনঃ য়িবসে করিনো হায়বসে তাব অমতা ৱাদেনে। বংখু কন্নবা চাওহ্নু হায়বগে? কন চাওরেনা। লৈবাকী লোইশংশিংসে মখোয়গী লোইনংহ্ নঙাইরে। লম্বীকসে মখোয়গী লম্বীদোনা ভোরে। থানাকসে মখোয়বু লেম্ববা হাপ্পহ্ নঙাইরেনে। সিদগী হেয়া চাওগে হায়রবদি ঐস্থু ত্তোকম থংলোইদোনি।

২বা নহা— পাবুং ঐখোয়স্থু লেমা চাওবদি মত্তেদা। পাবুং ত্তৌ হায়রবথৈ ত্তৌরিহ্নি। হৌজিকনু পাবুংনা ইজিংত্তা ( মাপীহ্ মখাদি ঐখোয়গী শরুক্তি। আইনকা য়মা লৌবীবা অাং মথে।

কৈরেল— আইনহ্নবুদি ঐস্থু য়বা লৌবীদেনে। Order তাইহাৎলি ঐনা চলাইরিবসে।

১বা নহা— (২বা নহাদা) তায় করকতো খিং ত্তৌরকখিহু। ঐখোয়দি পাবুংনা ত্তৌ হায়বত্তা ত্তৌরগা লোইরে।

কৈরেল— মেন অমা ইত্তা তাদে হায়বনি। চংলো, চংলো চুয়া চংখো লম্বী লমখাংদকা কতুং কারণ অমুক ত্তৌরখিহু।

১বা নহা— কনি পাবুং। ঐখোয়নু তাথ য়াম্না ত্তাবিশোংনিদা।

( নহাশিং খোকখিবা )

কৈরেল— (মত্তেংমত্তা) মখোয়সে হেক পুখোল্লগা চংহনল্লিমথৈ অলোমবা হাথি অমত্তা শাবা য়ারোইদোবগি। মখোয় দৈ থংদহ্নবা

মখোয়না তাবা য়াদবা কয়া ঙাংলকপনা কোঙাই অমা। লুখ্রেদা তৌগদবসে, মখোয়সে থাদোক্লবন্নু য়াদে থম্বস্নু য়াদে। ঐখোয়গী খোংদা য়ুরিবা তিংথং অসে তিংথংশিং অসিনা হনগদৌরিবনি অহুগা অহুকম্নু তিংথংশিং অসে লৈহনবস্নু য়াদে (চংখি)

( মালি অমম্বুং য়াইশিংপা থোরক্লুমা নহা অনিহুনা থোকখিবহু য়েংলগা। )

য়াইশিংপা— হৈবোং মথক্তগী লিল ময়াম হৈথখিবহুবু মহ য়াওজবা জাংলা ?

মালি— কদায়দগীনোদা শাওহন্দুনা মহ কাবা হেনগংহল্লগা হৈথখ্রি-বনিনে। মখোয়হুনা চিকথ্রবদি ইমা কৌবকা নংঙরোইদবনি।

য়াইশিংপা - কমদৌনি তৌরিবসিদি। লিলনা চিকপনি হায়হুনা কেণ তৌরুবস্নু য়ারোই। য়াংথ্রেদা লৈবাক অসে শাগী লৈবাক্তু ওইরে। শাশিং অসিগী সাসনগী হৈবোং মথক্তগী হৈথরকপা শা, ঙা নাপি শিংবিনা পিক থনপে

( মমুংদা প্রাজা ময়াম লওহুনা সভা য ত্রা চংপগী মখোল তাই। )

ঙসি Democracy গী মঙাল ঊমা Dictator গী শাশিং অসিগী অমোংপা সাসনগী মায়োক্তা কা হেনবা নিঙ্গিগী মায়োক্তা প্রাজাগী কয়িগুম্বা পেন্দবা অমতং লাওরুবদা অথিংবা পীহুনা খোঙজেল থোকহাল্লবা অহুগা অথিংবা হুকুম কয়া থল্লগা অথিংবা লৈতনা শেনজা থুমজা কয়া তৌরিবা। মানা মানা প্াইনরিবা মন্ত্রলোয়গী লোইশংনা মাগী মাগী পুককৈ লনগৈ ওইনরিবা। শেপ্পাও পুথোকপা ওহদা সাসনগী কমশিং য়োন্দুনা সাসন ললোন্দুনা চংবা pseccdo democracy গী কৈতমশংদা নোংমৈ মরুগী তিংথং শানবা সিকাইগী barbed wire না



## লাগী লৈবাক

কোইশিন্দুনা প্রজাদু লানকাণ্ডম থম্বিবা পুম্নমক্তী মায়োক্‌তা প্রতিবাদ তৌদুনা মীয়ামগী মতা যাত্রা অমি চৎলিবনি।

(অমনা লাওরগা মরাম পুবা)

১না লাওবা—লৈবাক অমা হায়বসে ... ...

ময়াম— প্রজাগীনি।

১না লাওবা – প্রজা হায়বসে — —

ময়াম— লৈবাকীনি।

১মনা লাওবা – লৈবাক হায়বসে .... —

ময়াম— কৈগুমশং নত্তে .... —

১না লাওবা—প্রজা হায়বসি ... —

ময়াম— বন্দি নত্তে।

(লাওবা ভাইহাক লেপথি)

মালি— Strike ওইরমানে লাওরিবসে।

রাচশিংপা—হৌজিকপু strike তৌরদুনবু কৈদৌপদৌরিবনোদা।

মালি— করিগী ?

রাইশিংপা—লাওনিংবামথৈ লাওদুনস্ম, তাবীগদবনা তাবীরগা লোয়ম্বে। হেনদা হেনজিল্লরগা মখোয়গী লুচিংবশিংদো ফাজিনখিমি। অদুদগী ফাজিনখিবা লুচিংবশিং থাদোকউ হায়দুনা Strike তৌরিবশিংদুনা অমুক কে ইরাও লাওরক্লনি। লুচিংবশিং থাদোক্লগা য়ানরনি। Strike লোইরে।

মালি— তাল্লুরিবা দাবিশিং অদুদি অদুম তৌক্লেনে।

রাচশিংপা তৌক্লেদনা। Strike তনি য়ানখিবা। তাল্লিবা দাবীশিংবু কয়াম য়ানখ্রবগেনে, মালি হৌজিক্তা তাল্লিবা দাবীশিংদুদি পীদনা Strike তৌরিবাশিংগা য়ানহনবা ওন্বা সাসন পাইব-দুনিনে লৈবাক ভাকপা হৈবা শক্লিবসে। অদুগা হৈরবনি শিংলবনি হায়দুনা পোৎলিবসিনিদনা।

মালি— মরকসিদা Hubger Strike মি লীয়দুনা তৌথিবা কাম্বুদুনিনে ঐনা য়াম্না তনবীরিবদি। চপ্না হেনলিংঙ্গবথে চেনজৌ হায়দুনা শুকয়েং হেক লেংবীজর্দি অচুম লৌরে।

রাইশিংপা— কৈদৌরুনি আম্বাঘাট তৌজরেদনা। তৌরিবা কৈদা লাকতাসিদা Hunger Strike তৌরু লাখউ য়াবা নত্তে, মালি। হায়জে য়াবীদবা, লাওজে তাবিদবা, কপ্পা লাঙশিল্লুরে অচুম অরান মফম খংহল্লে। আইন লেপ্লিবা, আইন তাক্লিবা আইন পাইরিবা মথোয় মশেল মদু দা মাঙ্গরগা পুম্বা অচুম্বু থোংপাক্না নেংখাইবা। দোং দোং, চবেং চবেং অদুদগী অচুম অবানকা পুমচাই।

মালি - (লুংঙাইজনা) অদুবু কান্নরবসু কান্নদ্রবসু থৌন ফনা লাওবীনবা খরা চোংথারক্লিবসে লাইবক ফরিবনি। লাওনা লাওনা চৈনা চৈনা অসি য়োরবদা শুকনাও লাওদ্রবদি কার খাকদগে।
(নেংমৈ মডা তককপক কাখথিবগী মখোল তাই)

রাইশিংপা- (পাগংনা) নেংমৈ নত্রা ?

মালি- ( পাথংনা ) মানি হৌজিক ময়াম লাওদুনা চংথিবশিংদুদা কাপশিল্লমানে। মী শিবা য়াওরম্মনি।

রাইশিংপা--(মবোক পাইদুনা ফমথবা) অসঃ ইপাই থিকাইগী আইন শান্তি শুকলৈ হেক লৈংতদা। তাইহাক লৈরগা গ্রোং গ্রোং হেক তৌরক অমংশংদা হেক চেনশিল, মমৈদদি নংনদদুনা ফি খানগদৌরি।

(মতো সিদা কেফুংগী লম্পাক ময়াদা লৈবা কোমদগী ওপথারকপা announcing booth অমদা Mic'ophone পুথে য়কদুনা কৈজেংলাইনা লাওথোকই )

কৈজেংলাই - (লাওথোকপা) Attentiôn plerse হৌজিক লৈবাকী

মপুং ইথুংডোনা লৈবাক অসিগী শান্তি ওইনা লৈকখা, পনাগী ফিবম ফগৎনবা অমসুং চাওখৎ খৌম্বাং কনগী মরমদা বা ডাংবীগদৌরি। মসিগী লোয়নবা অপল তাদবা মখৌ লৈতবা থবনা strike তোইনা তোইনা চৌকুনা পেমলং শাগৎপদা অপনবা পীরিবা অসে মীয়ামা শৌগৎতনবা আপিল থবা লোগদৌরি। মসিবু মীয়ামা পুক্লিং চংনা তাবিয়সি।

(সিকাইশিংনা guard তৌদুনা কৈরেল খোরকই।)

কৈরেল—(বা ডাংবা হৌরই) ওসি এনা প্রজা মীয়ামদা খংহনি মহুদি লৈবাক অমা শান্তি ওইনা লৈগে হায়রবদি প্রজানা ইনং ভগ্না লৈবা তাই। strike নচিংবা কয়া তৌবদগী ইংনা পানব য়ুৱিবনি হায়বসে প্রজানা খংগদবনি। এনা চাওংৎক হায়র খোয়গী নিতি অসে রাম রাজ্যদা মুমকম ওঙবা পৃথিবীগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজবা নিতিনি। রাশক চেংপদা রামচন্দ্র হায়নরিবনিনে। ধর্ম লৈবা রাম, অচুম্বা চংপা রাম শক্তি লৈবা রামনিনে মপাগী রাশক ওংকবগীদমক্তা চহি তরামরি বগা চংতুনা ফংকম খোকপা সিংহাসন ফাওবা থাদোকপা ওম্মীনে। করিগীনো প্রজানা তাব তাত্রিবনিবো ?

(মতাংনিদা প্রজা ময়ামা শাওনা লাওদুনা চংশিল্লকপনা কোমুংগী থে জাল য়োরকই প্রজা ময়ামা লাওশিল্লকপদা কৈরেল বা ডাংবা লেপ্পি।)

প্রজা ময়াম—(মনু দগী লাওরকপা) শাগী লৈবাক্তি, শাগী লৈবাক মী হাংপগী সাসন, মী হাংপগী নিতি। নিতি অদুনা লাই ওইরগা সাসন অদুদি মী চারে। নপা অদুনা মী ওইরবসু নকেক অদুনা শা ওইরবা, মী নত্তে শানি।

(লাউদুনা চংশিল্লকে তৌবদা gate দা সিকাইশিংনা থিংবগী মখোল তাই।)

সিফাই— ও কৰিগীনো ময়াম চংলকে তৌৰিবদো। কনা অমত্তা চংলকপা য়ৰোই। কৰিগীনো মৰুমদা লৈৰিবশিংডুৱা। লোম্না বোম চংশিলকে হায়ৰিবৰো? লম হেনগম্মকো ফাগী নত্তে ঐখোয়না পাইৰিবসে নোংমৈনিনে।

ময়াম— (মন্নুংদগী) কনাবুনো নখোয়না ঙাক শেন্নিববো? প্ৰজাবুৰা নত্ৰগা মীহাৎপশিংবুৰা? প্ৰজা ময়াম শিৰিবসে নখোয়গীস্‌ নপা নচা নচিন ননাও য়াওবম্বা য়াৰিবনি।

(মঙালম্নানা লুচিংডুনা প্ৰজা খৰা নমথেক্কনা চংলকই। কৈৰেলনা Microphone দা লাওৰকই।)

কৈৰেল—হে সিফ ইশা, কৰিগীনো মখোইশিং অম্ভু নমথেক্কনা চংহল্লকই-বদো। মম্ভু ফাওবা ঙাকপা ঙমদ্ৰবদি লৈনাকসিদি কৰম্না ওক্ক দৌৰি। লম হেনহনগম্ভ যুগাইযুনে।

(সিফাইশিংনা যুগাই।)

প্ৰজাশিং—(চৈনাখোল খাংডুনা লাওবা) ও ইমা! অয়ো ইমা! অৰো ইমা শিৰে!!!

কৈৰেল—কৰিগীনো ৱা ঙাংহল্লিনদো? ৱাকা অমত্তা ঙাংহনবা য়াৰোই।

প্ৰজা ১— (ৱানা) অয়ো হায়বফাওবা য়াত্ৰবৰা? চৈনাখোল খাংবশিবু ৱা ঙাংবনি হায়ৰিবৰো?

কৈৰেল— ৱাৰোই। অয়োবু হায়ৰবস্ত শিৰেবু হায়ৰবস্তু নখোয়দগী মখোল মত্তা থোৰকপা য়াৰোই। নখোয়দগী থোৰকপা খোঞ্জেলদুনিনে লৈবাকসিদা ইৰাং হৌৰিবসে। নখোয় অসে Anti social element নি খুংলবৰা?

মঙ্গালম্বা - Societyনা লৈখা তারকতুনা Society না হৌরকপা ইরাংবু Anti-Social নি হায়রিবা? Societyবু লৈখা তহল্লিবা নখোয নখোযবুনা Anti Social element নত্তে হায়রিবরো ?

কৈরেল (শ ওবনা লুপ্তোল কাহুনা) ও ফুগাইবু। ছত্র ময়ামবুম্বু ভাঙহনবা, লৈবাক লাংনবা শিল্লিনা ময়াম অসিগী মরক্তুম্বু যাওশিনবা। তপ তাবমথৈ ফুগাইরগা মপুল্লি চুম্না কৈশুমশংদা হেনগে থাগি ।

(শিফাইশিংনা মঙ্গালম্বনাবু ফুগাই।
মতাংসিদা লৈবাকলৈনচিংবা খোঙ্গুল
লিবি মুপ্পি ক্ংলুপ চংলকই।)

লৈবাকলৈ— (খাম্বা) ভাইখো, কবিনো তৌরিবসিবো ? মীবু শা মঙ্গা ফুবদৌনা ফুবি সিবু করিগীনো ? মসিদি শারমচংনি, মী অমদা চংপা তৌনবা মীরমচং অদুগী রাংমদনি।

(সিফাইশিংনা মঙ্গালম্বাদা যুবম্বা অদু খোঙ্গুল লিবিশিংগী শ্বাম্বদগী লেপ্পি)

কৈরেল- মসিনি লৈবাক লাংহনবশিংগী মফমদা তৌফম খোকপদো আইনগী মায়োক্তা থংক তৌবশিংগী মফমদা করম্বা দন্দি পিবগে হায়বদো থংহল্লিবনি।

লৈবাকলৈ—করম্বা আইননো ? শাগীবু আইন লৈবনে? অঙম অঙম্বা চাথোকনবা, চোংশিন্দুনা শরাক তম্বসিদি আইন নত্তে, নিতিনি, শাগী নিতিনি। প্রজা মীয়ামগী দাবী লৈবাক লাংনবগী নত্তে, লৈবাক অসিদা শক্তি লৈনবগীদমক্নি। ওংপি নৈবীরবা, হাংতোকপিরমলবা কয়াগী রাকং আইনগী মাইয়োক্তা নত্তে।

লৈবাক্কী মপি মপা ওইনা লৈরিবসে রাকৎশিং অসে তানবা নত্তা ?

কৈরেল— ( সিকাইশিংদা ) সিকাইশিং মখোয়শিং অসি পুথোকল্লো কৈথুমশঙদা থমজিনখিনবা ফাজিন্নুনা থম্মু।

( সিকাইশিংনা পুখিগে তৌই । )

১বা খোঙ্গুল শিবি— অশোকপশিংবু লায়েংশংদা পুদনা কৈথুমশংদা পুগদৌরিবশিবু করিগীনো ? পুবা য়ারোই।

( থিংদুনা থম্মী। )

২শুবা খোঙ্গুল শিবি—মী অমগী ফংকম থোকপা অধিকার হল্লু ফংহল্লু। অশোকপা অমবু লায়েংনগী অধিকার অদু শিযু।

কৈরেল—হা, হা, হা, অধিকার! মখোয়না ফংগদবা অধিকারবদি ইরাং থোকইবসিদা শোকইবা, শিরিবা মযম অদুগী দন্দিদুনি ।

লৈবাকলৈ—মী হাৎপশিংনা মনিং তৌনা থাদোকনা থম্বা, মী হাৎ-লম্বে হাযবগী রাকৎপা। লাকপশিংনা কৈথুমশংদা থমজিনবা অসিনিনে নখোয়গী আইনসে ?

(মতাংশিদা Police কী মকোক কান্নল চংলকই।

কৈরেলদা ইকাই খুম্নবা উৎলি অশোকপশিং অদু য়েংই।)

কান্নল - Honourable Sir, অশোকপশিং অসি করি তৌবা তারিবগে ?

কৈরেল—মখোয়শিং অসি থাদোকপা য়াদে, কৈথুমশংদা থমজিন-গদবনি ।

মঙালল্লা—(য়াম্না বানা) নিংবা থুংদবা কয়ামা ইরাল ওইদুনা পেন্দবা কয়ানা চৈকম নাইনা ফুগাইরগা কৈথুমশংদা লৈরিবা এখোয়বু কৈথুমশংদা অমুক থমখিগে হায়রিবরো ?

নৈবাকনৈ (মপি ইরা চেন্দ্রনা। তামো অসিগুম্বা নৈবাকী মপি মপাশিং অসে প্রজাগী মপি মপা নত্তেনে। কৈত্তমশং ওইরবা নৈবাক অসিগী দফাদারনিনে।

কান্নুল –( খবা শাওরগা Honourable Sir, মখোয়শিং অসে য়াম্না শাথিনা শোকপন্ন য়াওরে। Hospital দা পুখিবনা ফংবা ইরা ?

কৈরেল —ইরাংদা শেরিবশিংতুগীদমক্তা দ্যতত্যা মখোয়না পুগদৌরিবনি। অতুনা মখোয় ফাজিন্দবা য়াদবনি।

কান্নুল- ফাজিন্দুনা থমলগা য়াম্না শাথিনা শোকপা য়াওরিবশিংসিনা শিবা থোকলবদি ঐখোয়গী custody দা শিবনি, ঐখোয়না জাংপনি হায়রবাইরা ? অমুক হেন্না বা য়াম্নরকনি।

কৈরেল- (তাইতংক খল্লগা) অতুদি করে সাহেবনা থোকপা তৌবিরো। থাদোকখিরস্তু যাদ, থম্নস্তু য়াদে।

কান্নুল –(শিফাইশি দা) অশোকপশিং অসে ঐগী থাডিদা হাপচিল্লু। অতুগা Hospital দা পুখো হায়রু।

( সিফইশিং অশোকপশিং অতু পুখোকখি)।

নৈবাকনৈ—শাগী নৈবকসিদদি অশিবশিং অতু কাওবা জেলদা থমগে হায়রকদৌরি।

(খোঙ্গুল লিবিশিং থোকখি। gate তা প্রজা ময়াম লাওশিল্লকপগী মখোল তাই। )

ময়াম—(লাওরকপা) প্রজা চাবা নৈবাকী মপু ! প্রজা চাবা নৈবাকী মপু ! ওইগৌরো অক্ক শয়াংনা নংগী প্রজা নৈমিন্নহৌরো পুম্না লংজা কাকশিগা। লোৎপা তাই, শাগী নৈবাকসিদদি নারক মোংশোদা।

( ময়াম চংখি। মখোল অতু খরা খরা লাপথোকখি। কৈরেল শাওনিংনা নৈ।

কৈরেল —লমহুইগী জাংশিংসে। অমা খোংবা হৌরকপদা মফম মন্না স্থু খংদনা উ-ন্না, উ-ন্না পংখোংদা খোংই'ন।

কান্নুল—Honourab'e Sir, ঐখে যগী intel'igent source তগী ফংবা পাও মতু ইন্না হিংশা য়াওবা অচৌবা ইরাং অমা খোকপা য়াই হায়রি। মসিগী মাংজোন্না report তৌক্‌লগে লাকপনি। (মথা শ'না) চৈরকসিদা চৌডক্তা মীয়ান্না সভাযাত্রা চৎলিবদা "Black wolf" হায়বা মফম মরাং খংদবা কাংদুহ্নুনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা এজা কয়া শোকাল, কয়া শিরে। মখোয়সিনা ইরাংসে অমুক্তা তেন্না কনশৎ-হনপদৌরি। মখোয়সিবু কনাগী মথাদা লৈবগে?

কৈরেল—মখোয়দু Civil military অমস্তুং law গী ওইবা করিগুম্বা Service অমত্তুগা মরি লৈনদে। ইরাং কনথ লকপসিদা ইরাং control তৌনবা শেম্বনি।

কান্নুল—(য়ানিংদবা উৎতুনা) ইরাং control তৌনবনি হায়দুনবু contrcl তে'দবা খুংলায শায়বা কাংবু অমা থাদে কপিবসিবু চুম্লনে? Disciplien না য়াওন্নবা খুংলাযম্ব, মরম চাদনা শিজিন্নে। Police কাংবুগস্তু কপ্পগেকা তৌই হায়রিনে।

কৈরেল—(খৌ রা হশা শাদনা) মখোং চারাইদবা ওক্তরগনা Army দা পুনশিনবরা, Police তা পুনশিনবরা অমদি তৌবা তারেদনা।

কান্নুল—অহুন্না নাখৈ অমা শেংদোকশিহু। নত্রবদি শান্তি রকশাগী থবক্তা অয়েৎনবা অমা লাকদৌরি। ইরাং হৌবশিংবু control তৌগদ্রা, মখোয়বু control তৌগদ্রা তৌফম অমা খংদ্রে। (চে অমা লৌথোক্লুনা লানশিল্লি)

মসিনি ঐনা পিজরিবা intelligent কী report.

কৈরেল — ( চে অদু মায়ংলগা ) অসিদা Organisation কয়া ১ম্ম খাওরিনে। হন্দক্তি মাখাংসে মরুদু হুংদা তককে থংনি।

কামুল—Honourable Sir, ঐখী মহুদি খোকললবোরিবা ইরাং অসিগী Nature অমসুং অদুদগী খোম্বকপা য়াবা থুদোংথিবা মরাম অদু নৈনবগা ইরাং খোকচিবৈদা মাংজোনবা য়াবা অবা পুরকপবা কয়া থনৈ।

কৈরেল—করিনো সাহেবনা হায়বিরিবদুবা ? ইরাং কিদুনা ইরাং চৌবশিংতনা হায়বা য়াবা হায়বসে মম জগী অদুম্বা নিম্নলনে ? রাজনিতিগী ইথিলনা মীয়ামবু থুংলায় ওইনা শিজিন্নদুনা ইরাং চোবা য়াওরি। সাসন মুন্নবগী খোবাংদা মী থরনা প্রজা শাদুনা লৈবাক লাংনবা শিল্লি। মসি পুথসিবু খেংনবা ভাবা নন্নে ?

কামুল- প্রজাগী দাবীশিং অদু লৈবাকী ফনবা ওইরবদি লৈনা। লৈবাকী মাংনবা ওইরবদি নমথবা ভাই। Honourable Sir, লৈবাকী হায়বসিদি থন্দবা য়াদবনি। অদুদি নত্তনা ইরাং খোকলবনি হায়দুনা শক্তি হেক্তা শিজিন্নবদি ইরাং নমথবদা ইরাং খোকহনবা হায়বদো তাম্মোইরে ?

কৈরেল — ( শাওরপ ) হায়রিবসিনদি ইরাং নমথবদা Police অমসুং armyগী দরকার লৈতে সিনিনে।

কামুল—অদুগীদি নচদে। ঐনা হায়জরিবসিদি Practical ওইনা খেংনবকলবা য়াফম্নি। মসিদা অরানবা য়াওরবসু ভাক-শীগনি। সাসন শাইরিবশিংনা প্রজাদা লানমীগী শক্তিবু লাম্না শিজিন্নবদগী মরাল লৈতবা প্রজা কয়া কয়া মীরম-চংকী রাংমদা ওং লৈবা মুপা অভাংশিংগী ইজৎ সনমান মাংহনবা। গাতি লৈত্রবা প্রজাশিংনা থম্মোই শোক্না কপ

লাঙহ্না লৈবা ইমিংমক্লা উক্নে। মরৈমদি শাসন পায়ব-শিংনা শানমীগী কা চেনবা শাজংপু control তৌবা ঙমদকবা ইশামক্লা উক্নে। মসি থোকহনিংদবগী বানি।

কৈরেল—(শাওনা) হুমিন লৈয়ু। তাকপা লাকইবরা অহু অমুক ঐতোপ্পা। নখোয়না নতোপ্পা শিন্নরিবা শক্তি অহু শিজিন্নৌ। ঙমোই হায়রগা অতোপ্পা অমদা শিন্নখিগে?

কাম্বুল—Honourable Sir. ঙম্মোই হায়জবগী বা নংনে। লৈবাক অমগী প্রজানা ইংনা তপ্না পানবা হায়বসে সাসন পায়বশিংগী মথুংতা লৈ। শানমীগী মথুংতা লৈতে হায়জবনি।

কৈরেল—শাসন পায়বশিংগী মথুংতা লৈবহৌনিনে ঐনা হায়রিবসে মসিদা সাহেবনা করি অমুক পাম্বিরিবগে, মখোয় তৌজবদি তৌপদবা মীদা শিন্নবা তাথা নত্রনে?

কাম্বুল—মসি Socio Political গী চাওরবা ইহৌ অমনি। Socio-Political গী ইহৌ অসিদি Socio-Political গী পাম্বৈনা নমথবা কৈ হায়জবনি। অদুদা অকায়বা থোকলবপদো তাকশেনবা ঐগী ইথৌনি।

কৈরেল—অদুদা করিনো তাক শেনগদৌরিবহুবো?

কাম্বুল—প্রজা মীয়ামবু অমসুং লৈবাকী মপী মপাশিংবু — —।

কৈরেল—(শাওনা) থংজে, নহাক চৎখিবা য়ারে। তৌজিকমক নহক্কা পাম্বিরিবা শক্তি অহু অতোপ্পা অমদা শিন্নগদবনি।

কাম্বুল—Thanks you, Honourable Sir।

(তৌনবী বেবদাব উৎলগ্গা চৎখি।)

কৈরেল—None Sence। (শাওনা লৈতৌই)

কৈজেংলাই—(কিহি কিক্রম) প্রজাগী দাবীশিং অদু য়ানবা যাবা Condition অমত্তা লৈ হবা জাংলা? মরনদি মহুত্থ শরদি থম্নবা ফবা জাংনি।

কৈরেল—হৈরেদা মী উরগা লোংপা মানশু মীয়ামগী রাকং অমুক পল্লকইনে। প্রজানা ত ত্রিবা দাবীশিং অদু ঐখোয়গী ইথক্তা তৌরকপা Complain নি হায়বদি থংদবা শারদনা।

কৈজেংলাই—অদুবুদি চুম্মানে। শুম কহিনা ফগদগে হায়দুনা মণ্ডল মণ্ডল থম্লুবগী রানি।

কৈরেল — মণ্ডল মণ্ডল থনবা য়াদে। তৌগ হায়বদুমা হেক্তা তৌগদবনি। ঐগী মীনি হায়দুনা লৈরিবশিংদে ঐনা ওংপমথে ওংলগা থাংবা ঙমদদুনা ঐত্তোন্দা চংজরকপা ওাইহাক্তনিনে। হৌজিক্তি ঐগীদমক্তা শিরগে হায়বা ফাওবা য়াওরেদনা। মসিনিনে রাজনিতি হৈবা হায়রিবসে নৈর নৈরগা আমুত থোকপনি থংঙত্রা? হৌজিক্তি Police কী মকোক কপা ওাইহনসিগে থল্লু।

কৈকেংলাই— মসিগুম্বগী থবকসিদি S. P. কৈমুদগী হেনবদি কৈরয়োই। য়াদি মী উবা য়াদবনি। মানা লম্বীদা লাকপদা থুদুথবং লাকপদা উচেক মচাশিংনা উরক রারক্তা পায়শিন্নবদু মণ্ডাই। মীয়াম্না ইকাই খুম্না লৈবা মীশিং ফাওবা ফুরমলবদি চোপ-কনি হায়দুনা মক্কমদা থৈদোক্করিবনি।

কৈরেল—(হয়াওনা) চুম্মী. Police কী মকোকসে মাবু পুহনথা তাই। অসুম্না রাথলদো চুম্না চুম্না থল্লু হায়বনি।

(মতাংসিদা Black wolf কী মীওইশিং চংলকই। মখোয়গী uniform অদু Army সু মান্দে, Police সু মান্দে। মখোয়গী মরক্তা নিংথৌজাও অঙাওবা য়াওরকই।

Black wolfকী মখোক কৈশাল মিংলং কৈরেলদা ইকাই খুমবা উৎলি।)

কৈরেল — মী কয়া হাৎলবা, কয়া শোকলম্বরা ?

মিংলং — মী অনিদি ভংশং ভাংশংনা শিরে। অশোকপদি কয়া য়ারী। মখোয়শিং অমা অহুম তাহুনা লৈলৌরি। Honourable Sir, Police শিং অদে য়ায়া খুজাইরোইরি। মখোয়না করিগুম্বা Co-operation অমত্তা পিদে। অশিবশিং অহু অহুম তাহুনা লৈরবনি করকনী থারদে। Police শীংনা ঐখোয়বু মীহাৎপা ভাইমগদৌরী।

নিংথৌজাও — (থর কল্লুপ) মী হাৎলগা পীগদবা Co-operation অফুদি অশিবদো ময়াম চংহুনা চাশিনবগী য়ানিনে।

কৈরেল — (লাওরকপা) হে কনানো মাসে ?

মিংলং — (ভক্লা) হায়মা ! নিংথৌজাওনিনেহে। করম হাইনা ঐখোয়গী ইরকত্তা য়াওরম্নীবা জাৎনো !

কৈরেল — (ভক্লা) নিংথৌজাও হায়বদি কনানো হা ?

নিংথৌজাও — নিংথৌ পুরমফগী খুাইদগী চাওবা নিংথৌজাও। হা, হা, !

( নোকপা )

মিংলং — (ক্রিনা) অত্তাওবনি Honourable Sir। করম হাবনা ঐখোয়গী মরক্তা য়াওশিল্লমলিবনো থংকৌরে।

কৈরেল — ( শাওবনা কি কি কামহুনা ) হে, gate তা লৈরিবা সিফাই পিদালাও।

[সিফাই চংলকই। ]

কৈরেল — [সিফাইদা] অত্তাওবসে করম থাজিল্লকইবনো ?

সিফাই — Honourable Sir, ঐদি ফিজোলকাসে হায়রণ বামবক্তদা মখোয়গী মী ওইরবোই মিংই।

কৈরেল—মখোং চ'দনা, তাম্বোকখো হৌজিকমক।

সিফাইনা অভ ওবহ্ তাম্বোকই। অঙাওবা চংলু য়া'দে।

সিফাই—মসিগী লঙাওবসে কোক চংখিগে হায়দেনে। লোংমৈশিনা কাপথাইজুননে।

নিংথৌজাও—ঐখোন্দা লোংমৈনা কাপথাইগে হায়রিছুবু ঐনা লৌ'জক শাওহুনা নোংমৈ শাকমদা চেংপা হায়রুরবদি য়া খোথাকনিদা।

সিফা —লোংমৈ শাকমদা করি হায়কদৌরিবা? হা করি হায়কদৌরিনা? কোক চংখিগেদি হায়দহুনা চোইরোল শুম লোন্দুনা লৈনে।

নিংথৌজাও—লোংমৈ মরুহ্ মমাংলোমদা খোকহল্লকম্ মনিংলোমদা খোকহল্লো হেক হায়রুরবদি লোইনিনে।

সিফাই—(শাওনা) মসি ঙসি কাপথাইহুননে। gate ময়াদম্ তাম্বোকপা শুনচং চংতে শুরু শুরু লৈহুনা অহুম লৈ।

কৈরেন—মসি ঙাওশিন্নবা লোইদনা ওইরমগনি। কাহুনা থম্ CID কা ওইরম্ থংদে।

নিংথৌজাও—মাগিনে। ঐহাক কিজোল ওম্বোকলগা ঐগী একাশিংসে কয় করি তৌরিগে হাযহুনা য়েংলিবনিনে।

কৈরেল--(শাওবনা মুতোল কাহুনা) নখোয় কৈদৌরি। মসি যাও অহুগা ঐ মং হৈ লৈহুনা হুগাইয়ু।

নিংথৌজাও—(ইলা পাথবনা) হে ঐশিং লৈবা হায়বহুদি হায়রকনু। ঐশিং চাকলদি অমোংল মযাসে বোকখ্রুদি মদৌনি। নখোয়সিদি মী হাংকে হাওহা কাংবুনি সুরাইদ লৈবা যা'বা জাং নত্তে। (চেনখি)

**Light Off**

# অনিশুবা উৎপা

মালী অমস্থং রাইশিংপা মতৌপ ওম মাগী মাগী মথৌ তৌহুনা লৈ। রাইশিংপনা কোন্নুংগী অ'ক যবা পুম্বা শিংপা লোইরহুনা ঊশিং হোনবনচিংবা অতৈ অতৈ ইমুং মনুংগী কুপনোম কয়া মীনাইশুম তৌরি।

মালি—মরূপ, ঙসি অসি করা Human right day হায়বদো' ?

রাইশিংপা—Human right day হায়বসু কৈদৌবগীনো ?

মালি—মীওইবগী অধিকার নুমিৎ। পৃথিবীগী মফম খুদিংমক্তা পাং-থোক্লিবা মীওইবগী অধিকার ঙাক্লবগী পালনি।

রাইশিংপা—(খংনিনা) মালি কনানা ঙাক্কদোরিবা মীওইবগী অধিকারনো ?

মালি মীওইবা হায়বসিনা মীওইবগীদমক্তা ঙাক্কদোরিবনি।

রাইশিংপা—মীওইবা মশামক্না ঙাকচগদোরিবা।

মালি—হায়নি মরূপ। মীওইবা হায়বসিদি অঙ্গ-প্রত্যঙ্গ থনবা ওমদবা শাগৎপা নত্তে। দেবতাশিংগী শংলবা লুপ্পকুম মীওইবগী কোকতম্ব রাখলগী লুপ্প অমা উপালি। হুংশিবা হায়বসিনা সনাগী মরি ওইবা থম্মোই কৌবা লিকলাং অমনা মীওইবগী থবক্তা লৈরেংলি। থাজবনা ফজবা মচু ওইবা লমচৎ কৌবা ফিজোল শেংতুনা ফমলি। মীওইবনা অচুম্বা হায়বা সিংহাসন্দা, মীওইবনা মীওইবগীদমক, মীরমচৎকী লৈঙাক সাসনগীদমক, ও কশেম্বগীদমক মীগী ইজৎ, মীগী সনমান, মীগী ধর্ম মীগী নিংতম্বা, মীগী অধিকার। অতম অতম্বা চাথোক্নবা চেংশিন্দুনা

শম্রক ভমনবসিদি শারমচংমি শাগী নিডিনি। অচুনা শারমচং কয়াগী বাইয়োক্তা মীয়মচং কয়া অসে ভারুবগীদমক্তা হোংনরিবনি।

রাইশিংপা—রূপ. অসুক ফজপ্রবা, অসুক বাংগ্রবা মীওইবগী মশা মশাদা য়াওজরিবা গুণশিং অসিবু মশক খংদচুনা শা ওন্দুনা শারমচং কয়া চংলিবশিংসিসু অচুকপনিকো।

মালি—(মুংভাইতনা) অচুনি মরূপ. মীওইবনা মীওইবা মশাদা হিংশা তৌরি, অমগা অমগা হাংনা ভনরি। টকং মনমান মাংহনরি, মীনা মীবু চীনাই ওইনা শিজিনরি, ভমথিনা ওং নৈচুনা আইন য়াওদবা দন্দি কয়া শিনরি, মী অমা ওইনা হিংনবগী অধিকার মাংহনবি, অচুকপনি!

রাইশিংপা—মালি, মীওইবগী পুক্নিং রাখলচুংদা চংচুনা লৈরিবা ভমথিরবা শাগী লিচংশিং অসে পালন অসিনা চুমথোকপা ওমলবদি পুংভাইবুনিদকো। পৃথিবী অসিসু স্বর্গগা চপ হেক মানানা রাগনি। ঐখোয়গীশিংসু পালন অসিবু তৌগদৌরিবরো?

মালি—তৌগনিনা, কারিগী তৌরোইদৌরিবা। মীওইবা অমা ওইনা হিংবদা অসুক মক ওইপ্রবা পালনশিবো।

রাইশিংপা—(খংজিনা) কনা কনানা শিল লাংহনা তৌগদৌরিবনো মালি?

মালি—মীওইবা হায়বসিগী অর্থ খংবা, মীগা শাগগী গেংনবা, মশক খংবা, মীওইবগী অধিকার মশক খংবা, লাইরিক লাইত হৈরবা, আইন খংবা নহারোলশিং মাংশিল্লকলবা মীওইবগী আধিকারবু কননিংবা অমং অহৈশিং' লৈবাক প্রজাগী

স্বর্গদা মীওইবগী অধিকারদা শরাক তমলিবশিংগা লানথেংনরিবা নেতাশিং মখোয়শিং অসিনা শিল লংহনা পালন অসে পাংথোকদে রিবনি।

রাইশিংপা—(নুংঙাইতনা) খ্বাইদগী মরু ওইবদি মালেমগী লৈবাক্কী মপী মপা ওইবশিংনা লৈবাক লৈবাকশংদা মীওইবগী অধিকার অসি ভাক্লা চংনবা হোৎনবিবা অমনি। মখোয়সু মীওইবা অমা ওইনা মগোয়না ফমলিবা অচুম্বগী সিংহাসন অমু মীওইবগীদমক্তনি চায়না থনবীবা অমনি। অদুবু মালেমগী অধিকার হায়বা রাইহে অসে হেক পনবদ প্রকাশিনা মখোয়গী মথক্তা হৌবা অমলোনগুম থনবসিনিসে।

মালি- মরুপ, অদুগুম্বা লৈবাক্কী মপী মপা শাশিন্নবশিংহুননি মীওইগী অধিকার শরাক তমলিনসে।

রাইশিংপা— মখোযহুদি মীওইবগী অধিকারগী মথক্তা লৈরবা অচৌবনি হায়না থনজে, চাওথেকচ, তত্রান?

মালি— (থোল কলপ) কদাইদগীনোদা, মখোয়দগী লিশিং লাখা অমা হেন্নবা লৈবাক কথাগী লুচিংবশিংনা পালন অসে তৌরি। খল্লুনা য়েংউনে, মীওইবগী অধিকার মশক খংদবা শানবু মীওইবগী অধিকারগী মথক্তা লৈগত্রনে। মখোয়শিংহুনি Human right কী লাংদা হেক হেক থুরমলিবসে।

রাইশিংপা—শাশিং অদুতা বৈজাও ওইনা লাংদকা থুরমলবদি পেনশ্রনিদা।

মালি—অদুসু ওইরকপা য়ারিবা জাংনিদা। ফত্তবা তৌহুনা মুংঙাইবশিংনা মখোয়বু মু ভাইহল্লিবা ফাওবহুনা অমক্তং মাং তাকহনবদি শোইত্রবনি। বননা মুংঙাইদবস্বা সনগী লহা রাবননা

অহুমক মাং তাকহল্লি। অহুগা মরুপ অচৌবা মী হাল্লবসে মপালগী নত্তে মমুংগীনি, মমুংগী থম্মোই অহুনি। থম্মোই যাওদনা অচৌবা মী ওইবা য়াপোংতেদা।

( কৈরেল থোরকই। মালি অমম্মুং রাইশিংপা রারি শারিরৈওদা মনাক্তা লৈরম্বা উহৌদে )

কৈরেল- (লাওরকপা) হে ঐ লাকইবসে উদ্রো ?

( মালি অমম্মুং রাইশিংপা খাই লাওবা উংলি। পাথংনা খুরুম্মী। )

অনিমক - ( পাথ'না ) ননাই এখোয়বু হুকপীযু। খুরুমজরি মপু ইবুঙো। (খুরুম্মী)।

কৈরেল নবা'ন বারি কারি ভাংজবিরা'দা ?

মালি (ইফিং ফিংনা) বারিশু ভাংজদ'দ মপু ইবুংঙো।

( কৈরেল মথা অমুক হংলমদনা লৈকোন অহু কোইনা য়েংবা চংখি।)

রাইশিংপা— হৌহিক্কী মতৌদো এদি বমজাবসে থক থব দি বত্তুরদি। ঐ ওসিদি লোইরে হায়দুনা খল্লুরে।

মালি—( কিনা ) ঐদি শা মরুকসিদা লৈবসে মুম জিশিল্লকলে ঐখোয়মু নোংমদি চাথোকখিবা শোইরোইবো।

রাইশিংপা—ঐখোয়বু হাওখিজ্রানে ?

মালি— তাওবা হাওজবদি ফিরোইনা। চাশিংলকপা, চিকনিংলকপগী মচিং লাকপা কন্দা ভাপ শাযত্তুগা কোইরে।

রাইশিংপা—তুগি রা লৈরো, রা ভাংলগু। শোমদা অমুক লাকএ। ভারবদি লোইরেদো।

( মালি লৈ মথোং শোমদুনা সেখি রাইশিংপা থোকখি। কৈরেল চংলকই।)

কৈরেল—(থাগৎতুনা) লৈকোনসিদি য়াম্না ফজরে, য়েংবা মামনা ফুংঙাইরে। ঐদি নহাক্লমথৈ য়েংবু য়েংলুদে ফজ ফজবা লৈ য়াম্না শাংলম্মীনে।

মালি—(হরাওনা) ননাইগী হৈবুংঙোনা মিয়েং ঙাবা ফুংঙাইবা হায়গুনা য়াম্না কম্না হোৎনজরিবানি।

কৈরেল—থবক হায়বসিদি পুকচেলবু শেংনা থোরবদি হেক্তা ফজংবনিদা। সিদা লৈবসে পুকচেল শেংনা লৈগদবনি। অদুনা নখোয়গী অকবা ওইগদৌরিবনি। নখোয়গী পুকচেলসে ঐনা থংহনা নখোয়বু য়াম্না ফজনা থমালবানি। মী অমগী পুক্নিং মাথল মী অহনা ঙাংলিবা, থোরিবশিং অদুনা লাইনা মমি ফারিবনি। মসিমদি ফজেদা হায়নবা থবক অদু মী অদুগী পুকচেল শেংবা অমসুং থাদোকপা, কংথোকপা ঙম্মী খুদমনি। পুকচেলবু শেংজবদি য়াদেনে কো।

মালি—অদুবুদি লৈরাং পাম্বীশিং অসিনা মনা পুনা নাপল থোনা থোজবা মচু মচুগী লৈরাং কযানা ফুগাইনা শাংচবা ঐগীসু ফুংঙাইজরিবনি চাওথোকচরিবনি।

কৈরেল—এ! অদুদি নংগী সু চাওথোকচবা অমদি লৈজরিদনা।

মালি—(কিনা) চাওথোকচবা হায়বদি ননাইনা কনাগুম্বা অমদা অচাওবম কাক্লবগী নাপল থোজক্লবগী বা নংচদে। ইথক্তা পুক্নিংদা ফুংঙাইজে হায়জবনি।

কৈরেল—বা ঙাংবদা শেম শাহনা ঙাংবদি নংসু য়াম্না হৈরিপোৎনিনে। নংসু পংলাই লাইবা মীকাদি নত্তবা জাংনি।

মালি—থোকম খুংদনা ননাই ঐদি হৈচম চমজবনি, কন্নিসু থংজবা মী নংচদে। কন্নিগুম্বা শোইখিবা য়াওরবসু হৈবুংঙোনা ঙাকপীয়ু।

কৈরেল—ফরে ফরে! অহুদি নঙোন্দ বা অমা হায়গে। হয়েংদগী ঐগী যুম্‌লোমদা চৎপু। থবক ইনথাং থরা ঙগদবা লৈ। লৈ পাম্বৌশিং অসিদি ফজনা হৌরবনিনা থোইনা য়েংশিন্নরবনু য়ারনি।

মালি—(শকফম হক্তিন্দুনা) হৌরবদি ফজনা হৌরে। অহুদা — —

কৈরেল—(খোল কয়া) অহুদা কৈদৌরবা

মালি—(কিনা) মখোং তোইনা শোম্বীরবা, ঈশিং তোইনা চাইবিরে বদি লৈ পাম্বৌশিং অসি কংশিল্লকনি, শোংশিল্লকুনা নাপীনা মশক উরকলোই। লৈকোল অসে লৈকোন মাল্লকওই। থোংশোং মরক্তা মতোমতা হৌজদা লৈবাংঙম ঊরকনি।

কৈরেল—ওনথৎতুনা এ হৈরেদা সিদবু কারি থবক তনিংঙাই লৈরিবগে ঙন ফমহুনা লৈরগা তসব লেয়া লৌগে সিনিনে। ঐদি থবক ঙবরশিংদদি লেয়া তসব সিরোই, থংলবরা?

মালি—নহাক্তদি তৌফম থে কপা হাংবৌদি চপ চানা তৌজরিবনি।

কৈরেল—(হৈহৎপা) করি? ঐনা হায়রিবসে নংগী তৌফম থোকপা নথোংহনিনে। নীনাই মচাশিংসিবু করিনোহে। ঐনা হায়রবা তৌদনা নথোয়না পংতৌ তৌবা য়াপোংহেনে।

মালি—(মপী হৈরা চেন্দুনা ঐহাক লৈকোলসিগী মালিনি। মালিনা ফজনা য়েংশিনবীরবা লৈকোল অমনা কৈদৌঙৈদম্ম ফজবা য়ারোই হায়বা ঐহাক থংজে। লৈবাক অমগী প্রজাবু লৈবাকী মপী মপানা য়েংশিনবীরবা নত্রগা মপু পান্দবা লৈবাক্তা কৈদৌঙৈদম্ম নুংঙাইবা চাওথৎপা য়ারোই। অহুঙম মালি য়াওরবা লৈকোলশুনি। মালিনা লৈরাং পাম্বৌশিং অসিগী মপি মপানি। লৈকোন্দা মালি অমগী দায়ত্ব চাওনা লৈ। ইকং থোক্নুনা লৈমায়দা লৈরুক চংলবদা অরাপ্পদগী ঈশিং

হোন্দুনা লৈখোংদা ঈশিং চাইরি। চাওজন থিবা পান্থী কয়া মী মামবা তোংনরি। লৈবাং পান্থী অমতদা অচান মীয়াই নাইরুদে। মালিনা হুংঙাইজবদি লৈরাং পান্থীশিং অসিনা চপ মান্নবা মচু মচুগী লৈরাং কয়া, লৈবাক অমগী প্রভানা চপ মান্ননা হুংঙাইনা শানবগুম লৈকোল থুংনা ফুগাইনা শাংপনি।

কৈরেল—(শাওনা থুবাক্লা থাবা) ঐগী চিন্তক্রবু থুম্বা শাইনে। থংঙবরা, ঐসে ঐগী মীদদি য়াম্না ফবনি। ঐগী মী নত্তবদদি নখোযনা থঙলিবহু মঙাই।

(মতাংসিদা Police কী মসনাক ওইনা হৎক পুবংা কৈমু চংলকই লাইরিক অমা পাযরকই কৈমু চৎকপদা মালিদা চৈরম্বা লেপখি।

কৈমু— Honourable Sir, তৌরিবসিবু বৈদোনবা য়াংঙ্গবাগ?

কৈরেল— থবক তুনিংদবা লেমজা চানিংবা কাবুনি। মথায়সে থরা থংহন্নবা য়াদে। (মালিদা) চংলো, চংলো সুয়াইদা লেপ্তুনা লৈরমু। রা অরুবা ঙাংনগদৌরি। নংনা শি তৌরগা ফৈ হায়রদো মুমা থল্লগা তৌকচো।

(মালি তপ্না তপ্না থোকখি)

কৈমু —(লাইরিক অমু লানশিন্দুনা) Honourable Sir, মসিনি খোঙ্গুল লিবীশিংনা কোংই হায়বা লাইবিক্তো।

কৈরেল—(লাইরিক অতু মৌথুনা) লাইরিক্লা করি তৌনগদৌরিনো ফোংংনা লাইরিক য়াম্না, করি অতোংবা পুরকলগে (য়েংবা) মসিনা "খোঙ্গুল যুংশ্রবশিংগী খোঙ্গুল", "হায়বা ওইরমানে খোঙ্গুল হায়বসিদি অসুম্না নেংংাইরগা তাবা ওইরিনি।

(লাইরিক অতু নেংখাই।)

য়াদবা ঐগী খুৎচাবীশিংনা লোইনা শিনদোকখ্রবনি । সাহেব, ঐগী মী নত্তবদি খাইদা অমত্তা থমত্রেনা ।

মতাংশিদা Human right day পালন তৌবগী বা ভাংদবা অচৌ অচৌবা সভা যাত্রাশিং য়াইকৈ খাইকৈদগী পালন তৌফম people park ভান্না লাকপা কৈরেল অমত্থুং কৈমুনা উরকই । অনিমক চপ মান্নদা খাইকৈ অদোমদা য়েংই ।

কৈমু- ( gate লোমদা য়েংদুনা ) Human right day পালন তৌবগী রেল্লি ওইরামলে চৎলিবশিংসে। মখোয় অসে কোন্থুং মমাংসিদা লোইনা চৎকদৌরিমানে ।

কৈরেল—কোন্থুং মমাংসিদা চৎকে হায়না চৎলিবা জাৎনি । পালন তৌবগী নমাদা মিটিং তৌরপা মচিল পেনবমথৈ ভাংগদৌরিবনি ।

কৈমু- (খুংশাথিনা) ওস্তোক্রা য়ামত্রেদা কদায় কদায়দগীবু থোম্মুরিবনো খৎদেনে। প্রজাশিংসে ভাব তাদবা ওস্তোক্রা য়াম্না লৈরিবা জাৎ ওইরে।

কৈ'রল—(মুংভাইতনা) সাহেব অসিদা লুচিংলিবশিংসে মনিং তৌনা থাদোক্কুনা থমলিবমথৈ ঐখোয় ইংনা লৈগদবা লৈত্রে। অদুনা মখোয় অসিবু লোইনা ফাজিন্নবা ( াদবা য়াদে। মখোয়গী পুনফম রা ভানফম পুম্বা লোইনা থুগাইদবা য়াত্রবনি ।

কৈমু— ঐদি ফানিংবনা খুৎ শাসে মরেং মরেং চৎলবনি । অদুগা পালন তৌরিবনি হায়দুনা কাদেনবা রাতৈ শিজিন্নরবা সরকারগী মাইয়োক্তা চৈ থাংলবা মীশক মখোয় ময়াম পুল্লিসৈদা ফাজিলহৌবদ। করি কাযগে ?

কৈরেল—করিশু কায়বা লৈত্তেনা, সরকারগী অয়াবা য়াওদনা থৌরম পাংথোকপা য়াদে মীতিং তৌবা য়াদে, সরকারগী মাইয়োক্তা

সভা যাত্রা চৎপা য়াদে হায়বা আখংবা হুকুম লৈরিবনি। পুম্নমক অসিগী মাইয়োক্তা মখোয়না অহু day অমদা day চারজিন্দুনা মীয়াম কোমলগী লৈবাক লাংনবা হৈ কহিরসে মতুং মমাংও য়াদে থংনবা থুংথিহনগদবনি।

অদুমি ঐনা ছারজাবিবসু। খবক তৌরবদি নিপা থোক্লা তৌবিহুনি ঐনী শমিজরিবা। তোগদবা লৈরবহুদা তৌগদব-গুম তোরোইদোবগুম লৈবহুনি ঐনা প্রোক প্রোক চাকইবসে।

কোরল—(হিরাওনা) পায়রবা শক্তি অহুদি মতিং লৈদ্রা শাজন্নবা তাবনিনে, সাহেব। শক্তি অমা পায়রগা শক্তি অহু শজিন্নবা কিহুনা মুপী ডাংনবদোনা পেং পেং ডাংনবদো হৈ..রক্তহুনা ঐনা সাহেবতা শক্তি অসে শিন্নরিবনি।

কেমু—এ লৈরিভেদদি মৈতাল অরাবা শারিবশিংদো মনিল ফাও কাঁবা য়ারোই

কোরল—[হিরাওনা] ঙ্গকী police কী Top Medal মখে সাহেবতা লোইনা পিথোক্কে। মংচৎ হায়বা অসে পংনা তানবা কংবা নক্কে। ইখুংতা লৈারভেদা মিংচৎশিংদো সাহেবতা পিথোক্কে।

কেমু অহুদি ঐসু য়োজখ্রগে। থবকশিং অসে পাংথোক্লবা থোরাং অমুক্তা তৌজরুগে

(কেরেনদা ব্যাবহার উৎলগা থোকখি।)

কোরেল—ফরে সাহেব। মঙ্গল ওহিবিকুক্তি।

কোংং মসুংদা চংখি। ভপাইমথে লৈকোলগা মাচি অমদা ফমহনা মুংভাইতনা লৈ।

মমিংতা খালিংহনী চৈথ্রি। কৈরেল কহনা চাজিন্দুনা হংবা কহনীম লৈরিবা বাইশিংদা চংশিল্লকই।

কৈমু—(ঐরা [illegible]) অহুবু [illegible] [illegible] লাইমা খনবদি [illegible] । [illegible] reason [illegible] পিরবা থাকে [illegible] crime [illegible] record book [illegible] [illegible] মতমসিগী [illegible] [illegible]রোল-শিংনা থিনা ভাংনহৌগদ্রা খাঁ ?

কৈরেংসা – সা'হব ঐখোয় চৌজিক হৌজিকতা খনবা ভ'বনি ঐখোঁ যনা থেংনবিরসে হৌজিক, হৌজিকী মীরোলসিনি মহুংগী মীরোলচু নত্তে ।

কৈমু – Honourable Sir, [illegible] [illegible] হৌজিক [illegible] লাইরিক অসিনা য়াম্না অকাইব, [illegible]

কৈরেংবা – [[illegible] লাইরিক [illegible]] [illegible] লাইরিক অসিনা ঐখোগী Personal [illegible] charge [illegible] করি করি য়াওরি

কৈমু – personal [illegible] [illegible] হৌজিক [illegible] crime [illegible] অহুগী [illegible] মহুনি administration [illegible]

কৈ বুল – ([illegible]) করি করি হিরদনৌ [illegible] লাইরিক [illegible] contain [illegible]

কৈমু – মহুদা য়াওরিবা শংঙুনি "বীচার" ভৌমিজ্রবশিংগী "বীচার" "ভিচুথা" [illegible] অহুম্বা [illegible] । [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] হিরম মহত্ম শিংগী মুর্ত্তি-মরকদা" [illegible] । [illegible] । পুমমক [illegible] collection [illegible] record [illegible]

কৈরেল— (ভাইহাক থল্লগা) খোঙ্গুল লিখিশিং অসে ফাজিন্দ্রব য়াদ্রে। করম্বা Act পাল্লগা কাগদগে অমুক্তা খনবীয়ু গাহেব।

কৈমু—(রাখল ভোরগা) মসি Anti-nationalশু হায়বা য়াদে Anti-social শু হায়বা য়াদে। Anti-administration, Anti-coruption হায়বা ভাই।

কৈরেল—(হাথু চাথু) অদু য়ারেনে। Anti-coruption নি ং যরগা হেক্তা ফারোনে।

কৈমু—ফনি ফাজগে। মখোয়সিনা ভকইববু হন্দক্তা Black wolf না নোংমৈনা কাপতুনা হাংখিবশিংদুশু য়াওরম্মীনে। অদুগীশু Judicial enquary তৌ হায়দুনা প্রজাশিংনা তক শিল্লিবদুবু কমদৌবা ভাল্লিবগে?

কৈরেল—কৈদৌবগী Judicial enquaryনো? ইরাং control তৌবদা শিজবনি। অদুগীদি মখোয়না তৌনিংবমথৈ তৌজসশু শুমিং-তুদা Black wolf তি মীয়ামগী সভা-যাত্রা অদুদ অকয় অতোই থোকতনবা য়েংশিনবনি মীয়ামগী মরক্তা আইনদা য়াদবা কা হেনবা শাজং চংপা মীওই থরা য়াওরমদুনা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মসি পুম্নমক্কী দয়ত্যাদি মখোববু শৌগৎলমলিবা মীয়াম্না পুকম থোকই। মসিনি ওইখায়না শেমগদৌরিবা পুম্নমক অসে শেম্নবা Spot enquary গী First Information report দরকার ওই। অদুগী এমু সাহেবকা ভাম্ননিংদুনা লৈরমলিবনি।

কৈমু— অদুবুদি ঐনা ফনবা শেমজগনি। অদুগা মদুগী I. O ওইখি-বদো ঐখোয়গী মীনা ওইরম্বা দরকার ওই। মশাক্লি থৌদোক অদুগী মরিদা য়াম্না মরু ওইরিবা মীদি।

কৈরেল - অদুগীদি করিশু রানিংভাই লেভেদা Department খুদিংমক্কী মংকাকশিং অমমুং মরু মরু ওইবা মীশক মথৈ ঐগা ভানবা

রাষ্টশিংপা- (মালি) চৌজিক তৌরিবত্রু করি শাঙকবগীনো

মালি - (মপী তৈথোক্লুনা) ঐখোয়দি মীনাইগুম্বনিনা, মরুপ। ঐখোয়বু মতম চুপ্পদা মখোয়না মীনাইগুম থম্লি. মীনাইগুম শিজিন্নবা পাম্মী।

রাষ্টশিংপা— (সুংডাইতনা) ঐখোয়সু মীনিকো। মী অমগা মী অমগগী খেৎনবা ফনা লৈহনসু মীগা মীগগী মরক্তা লৈনগদবা মরি অমুদি মচেং অমত্ত ওইরবসু থম্বীবা কৈনা।

মালি মরুপ, মী ওইবা থুদিংমক মচু মচুগী লৈরাং পরেংগুম মশক উদবা কুংশিনবগী সাংলা অমনা লোংশিন্দুনা হিংমিন্নব্রিবা অসিবু ফিংচ' য়াই। ংশিং তাশিনা মতং মতং থদংলি। হিংমিন্নবগী পরে, অসি মচাই মচাই তাওল্লিনে।

রাষ্টশিংপা— ধর্ম্ম যাংদবনদি কুইবা য়ারোই। অমর ফংলবসু ধর্ম্ম য়াওদবনা অমর ওইথিবা য়াওগ্রবরমে ?

মালি —অশোমদনা Human right day পালন তৌরি। শোমদনা হিংনবগীতা খেংনজরিবা ম্বর অছু ফাওবা শংতোকদবগী মীগী ফমফম সুংডাইবদো তাম্লোকলগা ফমলি। মীগী লেপফম সুংডইবদা ইল্লোকলগা লেপলি। মীগী মমুম মকৈ কয়া ডুমলিংডদা থাংদোকলম্মী। মফি মরোল লেৎলিংডদা য়ুনবিন্নি। পাটা তাহৌব্রবা চাকখাও কয়া Eviction তৌবিরি।

(মতাংশিদা Human right day পালন তৌবগী রা তাংবা তারকই। মালি অমসুং রাষ্টশিংপা লেগুনা তাই।) (পালনগী রা তাংলকই।)

ঙসি দিসেম্বরগী তাং ১০ অসি Human right day হায়রবদি মীওইবগী অধিকার শুমিং হায়না পৃথিবীগী মফম

খুদিংমক্তা পালন তৌরি। মীওইবনা মীরমচংকী রাংমদা মীবু ওং নৈনরকপা অচৌবনা মচাবু নৈহৎপীবা, মরম চাদনা ফাবা পুনবা হাংপনচিংবা তৌরকপা, মীওইবা অমনা মীওইবা অমবু মীনাই ওইনা শিজিন্নরকপনচিংবা শারমচং কয়া অসি চংনরকপদগী মীওইবগী অধিকার অসে অসুম মাংশিল্লকলি। অদুনা মাংশিল্লকলিবা মীওইবগী অধিকার অসিগী ভাকশেল থৌরাং অমা লৌখৎনবা United Nation গী General Assembly শোক ১৯৪৮গী December তাং ১০দা universal declaration of human right হায়না charter অমা যানদুনা লাওথোকখিবগী মতুংইন্না চহি খুদিংগী হুমিং অসে Human right day হায়দুনা পালন তৌনরকলি।

ভসি লৈবাক অসিস্তু পালন অসে তৌরি। পালন অসিদা অথং অতৈশিং "অমসুং মীওইগী সেবাদা থরাই কংথোকলবা কয়ানা লৈবাক অসিদা শোকচিল্লকলিবা law and orderগী ফিবম. প্রজাবু ভায়োক চফূদা য়োকপ ভাহম ফানিং ফানিংবা ফাদুনা ওংপা নৈবা হাংপনচিংবা থোকলিবা, মপী অভাংশিং নমদুনা ইজং মাংহন্নবা ইজং মং ল্লগা হাংতেকপিরন্না তমথিরবা শাজং কয়া অসিগী মরমদা রা ভাংবীগনি। হন্দক্তস্তু ইকুই কুইদনা Black wolf হাযনা থংনবা সিফাইনি হাযবস্তু মফম থংদবা Police নি হায়বস্তু মফম থংদবা সরকারগী থাদোক্তনা থম্বা খুৎলায় পায়বা কাংবু অমনা প্রজাবু তমথিনা হাংথিবগী মরমদা Judicial inquiry তৌনবা হাযজবদা তাবিদবা কয়া অসিগী মরমদা নৈনবীগনি।

(রা ভাংবা লেপথ্রগা চবাংনবা মথোল অমা থোকখি। ভাইহাক লৈরগা নোংমৈ অরেপ্পা লৈতনা কাপ্পগী মথোল তাই। মীয়াম্না শিরে, হাংলে হায়না

পূমনিস, নিলনা লাওই। Gate তা ভাকলিবা সিফাইনা লাওরকই।)

সিপাই— (লাওরকই) সিদা লৈরিবশিংসে কনা অমত্তা চৎথোক চংশিল তৌগনুকো। শোমদা মী য়াম্না চেন্নরকই। হোরেল মফম থংনরোই।

( সিফাই খরা চাওবা অমা চংলকই।)

রাইশিংপা—সাহেব কদাযরাইদনো কাপনরিবছুবো ?

সিপাই— People park তনি। Policeকা পালন তৌরিবা মীযামগা থুং থোক্লছুনা মী য়াম্না শিনরে। ইরাংসে খরা কনগদৌরি নখোয় মপালকা থোক্লন্নুকো।

( কোম্নুং মন্নুংদা চংথি )

মালি - য়েংঙু, মরুপ, মসিনিনে মীওইবগী অধিকার ভান্নবা হোৎন-রিবশিংদা মখোযনা চংলিবা শাজংশিংসে।

রাইশিংপা—( মকোক পায়না ফমথবা ) নুপী অঙাংব মরাম অমা য়াওরিবশিংতুদা নোংমৈ কাশিল্লগা করি থোক্লদগে হায়বা রাখল মচেৎ অমাফাও থন্দবা কে কছুবু করম্বা কোকনো ?

মালি— মরুপ, থম্মোযবু পান্নবা, মীপুংশিবু খংন্নবা অক কন্তগী রাখল অমত্তা লৈবরোই। হিংচাবনা মী চাবদা নুপী অঙাং কদিনু থিররোইনা।

( মতাংসিদা কৈরেলগী P. R. O. কৈজেংলাই সিফাই অচুগা থোরকই।)

কৈজেংলাই—মীবু কয়াম শিন্নবগেনে, হুজুর ?

সিফাই— কনা যাম্না শিরমদৌ মাল্লি। কুন্থ্রা, নিফু অমুক্তি শিন্নমগন্না থল্লি।

কৈজেংলাই—খরা শিজবা হায়বত্রনিদনা। লৈবাক অসিদা তৌরিবসে

য়াম্না হেল্লবনি। বন্দ হায়বনে Strike হায়বনে ওাইহাক্তা তুমিন্না লৈতে। বন্দনি হায়দুনা তৌরিবছুম্ন পোৎ-চৈ তাংখৎলকপগী য়ানরকলবা কান্দভা তৌরকদবনি। বন্দ তৌবদবু করি কায়বগেনে, হুজুর ?

সিকাই— বন্দ তৌবদি য়াম্না কত্রেনা। নোংম নোংমগী চানবা তান্দুনা ওজ নোমজবা মী কয়া অরাবা ভারে। ইমুং মচুং থ ক্রবা হোৎনজরিবা ইমা ইবেন লল্লোনবী কয়া কয়াম্ন লল্লোনপোৎ পুখোক পুশিন ওমদুনা চরা হেল্লে। মীচম প্রজাদা police নম্ন য়াহ্না ফুরে, বন্দ তৌবশিংনম্ন ফুরে।

কৈজেংলাই—বন্দদা মী ফুবসিদি পেল্লিরে। হুজুরহৌয়গদি অমুক্তা চৎমিংত্রিদনিনা থংদে। Black wolf কী কাংবুনা মী ফুবা চংলুসি হায়দুনা মখোয়গী মী শাবগা অদুক চৎমিন্নরুই। অহদা হেক থেংনরিমখ নেংখাইবা ময়ামছুদি পেল্লিরে লৈভ্য।

সিকাই— সাহেবন্ন মী ফুবকা য়াওজরবা জাং ওইরে।

কৈজেংলাই—কৈদৌনি তান চারিঙেদ: ফুতৌরগা লোইরেদনা। ফুনিংলবদি চংলুসি হায়দুদা চংলুবনি।

সিকাই— মরম চাদনা মী পংকু ফুবা ফত্তবনিদা। মীগী থাম্মাইদা ঈশ্বর অমমম লৈবনিনা মখোয়না পম্মোয় শোকখ্রিবা পেল্লিবা মুংথাইত্রিবদো ঈশ্বর মশামক্তা পেন্দবগা চপ মাম্নবনি। মঙ্গী মহৈদি ফংদবা য়ারোই।

কৈজেংলাই—এ: হুজুরদি ঈশ্বরকা য়াম্না থাজরিবা জাৎনিনা। ঈশ্বরবু কম্না হেক থাজরবদি লাই নিংলিঙেদা মী ওইররে হ। থবক অমম্তা নিপা থে'ক্লা তৌবা য়াররোই।

সিকাই— করিগী য়াদনি। অচুম অরান য়েং য়েংদুনা তৌবা হায়রুদে থবক অমা তৌবগী চপ চাবা মিয়মনিনা। ফরে, ইরাংদে থবা কনগদবা মাল্লি ঐন্ম gate তা লৈরুবগে।

কৈজেংলাই- মী অমত্তা চংজরকনু ত'য়বনিকো হুজুর। তত্তাই কমমী ওইরগা অয়াবা অমা লৌবীযু হায়যু।

সিকাই —ফনি চায়ুজগে। ( থোকখি )

কৈজেংলাই—হোবেল চাক চারমদাইদা উনসিকো। ঙসিদি চামেং চাসি। (লৈথোক)

(মতাং অসিদা Army গী Commandent ওইনা থবক পুরবা কমুল চংলকই। কোমুং মমু দা চংগে তৌবদা কৈজেংলাইনা থিংই।)

কৈজেংলাই –( খাম্বা ) চংবা য়ারোই, অমুত্তা ওাইবীখো।

কামুল- ( লেপ্পা ) করিগীনো ?

কৈজেংলাই— চংবা য়াবগী অয়াবা য়ঙত্রবদি কনা অমত্তা চ হল্লকনু হ যহূনা ঐ চৈংরিবনি। করিগীনো হং লাক্কনা হেক্তা চ গে তৌরিদ্রবো।

কামুল— (শ'ওন ) লমচৎ ব্যাবহারকা ইয়ু ও য়াঙ্গদনেহে। মপুনা চংওরদৌনা চুরি মথাদা কুল্লগা নথোয়মু চাওরেনে। ম'সদা লৈরংদি মীয়ামগী খনগদবনি, লমচৎ ব্যাবহার লৈগদবনি। হুইদৌনা লৈবাকী অচৌ অশাং কয়ানা চংলকপক্কাও থেংলবদি মীয়ামগী কোমুংদা হুই লোইবা য়াদে হায়হুনা ভানখোকপা ভম্বা মীনি থুংভু।

(মতাংশিদা Police কী মকোক কৈমু চংলকই। Commandent কামুল উদনা অশাওবা কিবম উংলি।)

কৈমু— (কামুলদা) ঐহাক সাহেবকা উননিংহুনা লৈরমলিবনি। ঐদি ঙসিত্তা থঙই লৈবাক অসিগী স'সন অসিদি সাহেবনা নমহুনা মূনগে থৌরাং তৌরম্মীবা জাংনিদনা।

কাবুল—(হুরা) কর্মর চায়বা ! তৈমাক অসিগী সাশন অসি ঐখা নমহুনা মুম্বা থৌখাং তৌরগদ্রা চায়বা ?

কৈমু— হৌজিকপু চেনবা য়াগদ্রো ? ইরাং লাকশিন্নবা হোৎনখিবা ঐগী Police কংবুবু সাহেবকী লাম্নীশিংনা কোইশিল্লুনা খুৎলায় লোইনা থাদোকহলগা ফ্রনা লৈরি। মসিনা সাহেবনা তৌখিবা থৌরাং অদুগী শাখিনি। অদুনা সাহেব লোক্রোইদোৗগী মরম করি লৈবগে।

কাবুল— (শাওরগ) মী হাৎপনা লোকত্রগ মী কনবনা লোক্রা ? ঐদি মরম ইচা চাদ-গী প্রজাশিংগী মথক্তা নোংমৈ কাপশিল্লবা মুনী অঙাং কয়া না কপ লাওহুনা চেন্নরবা প্রজা কয়া শিরবা লাও থেংনরুবদা প্রজাশিংবু ডাক শেনবতনি। অদুগা কনাগী হুকুমা ক প্লিবগো করিগীনো হায়রদো থিগৎলগা High level enquiry তৌহনগদৌরিবনি। অদুগা মীহাৎপা অদুবুসু দন্দি পিহনগদৌরিবনি।

কৈমু - (শাওনা) অদুদি ইরাং নমথনবগী থৌরাংদা ইরাং হৌরিবশিংবু ফোংনা লোগৎলবা সরকারগী মীশক অদুদি লৈমুংগী জেলদা থমগে থংগনি।

কাবুল—(কারম্বনা নোক্না) হা, হা, হা, ইরাং থোক্লবদা নমহুনা ইরং থোকহল্লগা মীহ ৎপা মীশক অদুসি চেন্দুনা চিংল্লোইনা। আইন ভাঙবা শায়ষিবা শক্তি অদু চুম্না শিজিন্নবা তাই। নেংমৈ মরুশিং অদুদি আইন নম্রেনা।

কৈমু- (শাওবনা লুতান কাহুনা) You ! ঐগী ইথক্তা য়েংশিন্নবগী নংগী করম্বা শক্তি লৈবগে ? Do your duty, নংগী নথৌ হো।

কাবুল— To protect the people and to defend the

nation is my duty. লমদাগী প্রজা শেমজিনি হায়দুনা নোংমৈ কান্না লেপ্লরিবনি খঙ্গুনে। অদুগী ভ্ব ভ দনা বরম্না Active Service ত চংলক্লিবনো।

কৈমু— মতু ঐডে পাঁ ভাকহবা নত্তে। মংনা খংগদবদি ঐগী সিফাইশিং কাজিন্দুনা থমলিবদো ঐবু শিংনবতা নত্তনা সরকার অসি বুস্থ শিংনবনি চায়বসিনি।

কাম্বল— পাম্বী থর থারবদি পা মন চংবা ভ্রমদনবা শম্বম নিংখিন। খংবা ভাই, ভাকপেনবীবা ভাই। মসিদি defence হায়রিবসে। ইনশাং নাপী মরক্তা ইংখোল চংগনবা মমশিনা নৈখাম্নম্বদা মনাশিং অতুবু ভাম্বেক্লোইত্রো নত্রপা কারণা পুন্না র কংলোইত্রা। মসিবু লাল্লি হায়রিবরো।

কৈমু— (শাওবনা লুত ন কাদুনা) অদুদি ঐবু তশেংনা শিংনারদনা।

কাম্বল— কনাবুস্থ শিংনবগী রা নত্তে। মীহাংপা অদুত্তবুনি। তশেংনা ঙরাং থেক্কে হায়না লৌরবস্থ control তৌরিবা Nature অসে মীহাংপগী Nature নি।

কৈমু— (অশাওবা কাথবা চংদদুনা) ঐবু Personal ওইনা শিংনরবদি করি তৌবা ভাই।

(নেংমৈ শংতোক্তুনা কপশিল্লকই। কাম্বল হৈশিংনা লৈথোকতুনা পালহৌল্লে। ভ্যাইমৈগী কাংনারবশিং অতু মনাক অনকখদা ভাদুনা চৈংম্বা মশিল্লা মথং অমুক কাপলকলদা কাম্বলদা পানগদৌরে হায়দুনা হোৎচিনবদা মাশিদা মরু অম্না অনি পানখি। মাশি ও ' হায়রমলগা তুখি।)

কাম্বল— (মাশি কোনখংলগা কৈমুদা) You man eater ! ·

(সিফাই অমা অনি gate লোমদগী চেনচিল্লকই।

ভৌরমলিবা মতৌ অদুদা ওকটৈ। রাইফিংপা ভৌকম খংদহ্না কপলকই। কৈম্ অমসুং কৈজেংলাই খুংলৈ থুনা কোঁমুং মসুংদা চংলকখি।

সিকাই - Hospital দা থরা থুনা পুনবা ভৌসিরা Sir। ছিংবা য়া-রা য়েংলি।

কানুন— ঐগী গ ডৌদা থুনা অমুক্তা হাপচিল্লু।

( মালিবু গার্ডদা হাপচিনবা থাংলোকখি। রাইফিংপা কপ্পা কপ্পা থাংনা য়াওই। মী অমত্তা মকম অদুদা লৈহৌরে। ওইহাক্তং উন র'ইমুক চিকই। ছুমিং ভাখিবগী থরা থরা মর্মশিল্লুকই ভাইহাক লৈরগা কৈরেল, কৈম্ অমসুং কৈজেংলাই থোরকই।)

কৈরেল— মালিগী পাও অমত্তা ভাপ্রিনে ?

কৈম্ - ভাপ্রি Honourable Sir ঐখ য়ুগী সিদগী সিকাই অমদি য়াওখিবনি মা। হল্লকলগদি লে ইদনা ভারনি।

(ভ ইহাক তুপ্পিরা লৈনৈ মতা সিদা মালিবু Hospital দা পুরদা য়াওখিবা সিকাই অদু হল্লকই। )

কৈরেল— (সিকাইদা) মালিবু কংদৌরে। Hospital দা লেংভৌরবরা ?

সিকাই (সুংভ ইডন) মহাক লমখা'দা অদুম লৈখিরে।

কৈরেল (প খুংলপু) লৈখিরে হায়বা ? Commandant কানুনদি।

সিকাই—Honerable Sir, মহাক্তা ইরাংদুদা চেল্লিবা Policeশিং অদু

সিকই—পুদুনা চংখ্রে। রাইফিংপসু অশিবা মালিসু পুখি।

কৈম্ - (শাখংনা) করিনো ম'না ভৌরক্লৌরিবাস। Honourable Sir মহাক অসে য়াম্না শাখিবা মীনি। ঐখোয়নসু করিনো অমদি থম্নবা কৈ।

কৈরেল — ( মথা শানা) মাগী report অমদি ঐভোম্না শোইদরা পিরকখি। অদুদা থম্নখি। ভাইশিম্নবা মু'গদবা লৈরগদা

তাইশিন্নবা শিনগে নত্রবদি য়াম্না লুগদৌরি। মথা অসি য়াম্না শাথরে। ইতোমতা চিক্লা রাথল অমুক্তা থলগৌথিগে। সাহেবগী হনবিরো। করি তৌবা য়াবগে ভায়বাদা থনবীরু। অদুগা হোৎনেল পুং তরাকা তাবা অহুবাইদা চংথোকপিরকউ।

কৈমু অহুবু Sir গী Suggestion অমতংদি।

কৈরেল (হুংশা মপি হোন্দুনা) Suggestion হায়রবু মাগী য়াম্না থেম্বা তাই। মতাংশিদা মাগা মুত্রক্লরবদি ঐথোয়দা শোক্লক-কদৌরি। অহুনা হৌজিকমক মাবু কৌরগা ঐগা মাগী তে তাম্না রারি শানবা অমুক্তা তৌগিগে।

কৈমু—(ভক্লা) করিনো হায়বিরম্বু.বা?

কৈরেল—সাহেব, শক্তি লৈ, তোগে হায়রতাইভন্মী হায়হুনবগী য়ারক্লবা মতমদদি ঐথোয়গা মুক্লরিবা মী অহুগী মথোংফাও পায়হনা হায়কহৌগদবনি। ঐথোয়তা শোয়হৌত্রগা লোয়রে। ইকাইকবা যাদে, মতম মতমগী ঐথোয়দা অকায়বা ওইরক্লদবাদা লানথোক-খ্রগা লোইরে।

কৈমু – অহুগা থোদোকশিং অসিগী দায়ত্বনি কনানা পুগদৌরিবা?

কৈরেল – অহুগীনি ঐনা থন্নিবা। ফিবম অসে লুশিল্লক্লবদি প্রজাশিংগী মপুক ফাথনবা সাহেবনা মতম থরা থবক্কগী পোংথাবিগে হায়ত্রা? মবক্লদা ঐনা সাহেবকী ফনবা হেক য়ারিবমথৌ হৌংনরক্লে।

কৈমু – (থোল কয়প) হায়রিশিনদি মী শিরিবা অসিগী দায়ত্ব ঐনা পুগদবনি সিনিনে। অহুদি শিবনা হেন্না কৈ, ঐম্ম য়াবা ঙমমলোই।

কৈরেল – থবক তৌমিন্নবদি তৌদবা য়াদবা থবদি তৌমিন্নবা ত ইদনা।

কৈমু - (শাওনা) করিগীনো Honourable Sir না মাবু কনথংলিব-সিবো? মাদি ইরাং হৌবশিংবু শৌগংপগীদমক্তা মপুন্সি চুম্না কৈতমশংদা থম্বা য়াম্নবা নত্রনে?

কৈরেল — কনখৎপা নাত্তবে। মাবু থেমলগী মতম চাহৱকাম্না পাইখৎকদরদি। হৌজিক মাগী মুক্দ্দমাদা ঐখোয়দা খ্বাদাং কয়া চারোই। সংক্ষেপতা খনবিয়ু, মাদি মীশি মীন কাউ না থোকখিবদো করোন তৌরম্বনি। থোইদোকপা অকাইবা অমত্তা লেপহল্লমমে, হায়রকপদা করিনো ঐখোয়না তৌরগদবা। অদুগীসু মরক্তা মানা পুলিস ডিপার্টমেন্টকী মকোক ওইরিবদা। ইরাংশিং অসিগী মরি লৈননা নানা শিখৎলম্বা Intelligent Source কী Report শিং অহুনি। Report শিং অদুগী মইথেংক্তা ঐখোয়না লায়া থবক পাইখৎপদগী নমহুনা ইরাং কয়াসে থোকহল্লে হায়হুনা এগৈ যদা charge তৌরকনি। অদুগী charge দো তৌরক্লিভদা মাবু থেমহৌবা তাই। অদুগা সুরি। অমা মাদি শিরিনশিসু Murder case নি। মাগী মুক্দ্দমাদি কবিসু তুমিন্না লোইশিনবা য়াবেই। পূরমক অসে মাগী চেক্তরমগ্রুবদি ওথেংনা থোকপা তৌবা য়াবনি। (মথা শানা) মতাক শিবু নমহুনা থবক লৌথোকহৌগদে ওয়াক্লা লানত্রেদা।

কৈমু — শানা য়াত্রবদি কমদৌবা তাবগে ?

কৈরেল — লৈশা পাম্বদা মী লৈত্তে সাহেব। মথুংতা লুপা লাক্ক অনি অহুমদং নমশিনবদা পংদনা লাগা ? অচম্বা তৌরিবনি লৈশানা য়দে চয়না ধর্ম্মা কয়া শয়া লাক্ক ... নমশিনবদা ... মীরল মীশি ... ঐখোয়না অশুম্বগা তাহৌবা, মাথাদনো ... চং-নহুনা লৈনরিবশিনি।

কৈমু — অদুগা শিরিবা ময়ামশিনা কমদৌবা তাবা ?

কৈরেল — (থনকম থংদহুনা) অদু কোয়া থমরসি। কোকসে য়াবা তাওথরে। ঐ ইতোমতা চিক্লা অমুক্তা থনহৌখিগে।

মাহেব করিনা কগদগে হায়বত্নু থনবীরু (মথা' শানা' রাথলসে অনত্ত থনফম থংত্রে। ইতোমতা ঙান তানা অম্মুক্তা থনককখগে। এগী ইনাক্তা কনা অমত্তা লৈবিরগু।)

কৈমু- গুংঙাইতনা, করে অহুদি য়ৌজগ্রুগে।

(কৈমু গুংঙক শংঙ্গ লন হেকথ। কজেংলাইন্নু কোম্বুং মম্ভ দা কিদি পিরুব চংখি কৈরেল মতোমতা রাথলদা উংহনা লৈগেই রাথলদা রাজনিতিগী লাম্দা শিফম লাফম থংহন্নবা রাজনিতিগী লুচ বথি' মথং মপ' উরকই। মথোয়গা লাইনথবা ঙাংনখিবশিং অহু হৌজিক্তা মাগী মমাংমক্তদা শরুক কয়া খোরকতুনা মঙোম্দা মথং মথং চৈরকপগুম উংকই।)

শরুম অমা— (লাওনা) শা! মসিনিনে ঙসি নথোয়গী চবৌ চবৌ লাওরবা নথুং অহুগী খোরবা থুজিনশিং অহুনা চাংলিবা গুপনম সাসনগী অরুশিংসে। শেনজা থুমজা, অমেংপা কয়াদুগা লৈবাকী সাসনগা তিনশিন্নরে। প্রজা মীয়ামগা সাসন পায়রিবা নথোয়গা থাইদোক্লরে। নথোয় নথোয়গী নরম্মাইগী শেমগৎ শাগৎপা লেশিন্নবগা লৈবাকী চাওখৎ থৌরাংগা পুরিনরে। গুপনগ সাসনগা নিতথগা য়াম্বান্নারে। লৈগী লাপুংবতুনিনে নিংতম্বা লৈবাক অমদা নিংতম্বা যংনিংবা মীমাইগুম লৈরি-বাস লৈবাক অমগী সাসনগী অরুদদি প্রজাগ লৈবাকী মপি ওইরিবা সাসন পাইরিবা নথোয়গা তিনশিন্নগদবনিনে। শেনজা থুমজা অমেংপা কয়াদা লৈবাকী সাসনগী থাইদোক-উনা শেমগৎ শাগৎপগা চাওখৎ খোরাংগা পুরিনৌনে। য়েংশেংকশিংবু মীয়ামদা ফংহনম থোকপা অধিকারশিংদো। থংঙু, অদুনি নিংতম্বগী অর্থ।

কৈরেল—(অঙাওবশুম) কনানো নহাক ঐগী কোক অসিদা চংলক্লনা ঐবু ওং নৈথে হোংনরিবা। থোরকউ লাও বাজিনিতিগী কম্পাক্তা, ওংনসি নিতিগী ফজবা কয়া।

(শকতম অহু মাংখি। অতুগা অতোপ্পা শকতম কমা অমুক থোরকই। শকতম অহু উবদা কৈরেল ইপ পখংল। শকতম অহুনা শাওনা রা চাংলকপশুম মাগী রাথলদ। তারকই।)

শকতম অমা—মী নংনা মফম্রবদা কৈদৌনগদৌরিবা ফজবা নিতিদি। ফজবা নিতি অহু পায়রগা নিতি অহুদি চংরবা কৈদৌনগদৌরিব নংগী ফজবা ভাসনা। মণি পুবা চৌল ইনা মথযাং লওনা কাখোক্লনা মরৈ মতান্দা মণিহু থমশগা নমি মঙান্দ। চংনকপা জীব কয়া কয়া ফাহুনা য়েংপশুম ফজবা নিতিহুনি নখোয়গী লৈ মতোন্দা থমজিবা প্রজাবু কা ফাহুনা য়োংনবা।

শকতম অনিশুবা—(শাওনা) প্রজানা হকথেংনরিবদি নংগী ফজবা নিতি অহু নত্তে, নঙগী তমথিরব সমন অহুনি। নিতিহুনা রারকপা ওমদবা, নিতিবু নেতানা ওম্বা শাসন অহুনিনে।

প্রজানা পাম্বিবদি শাসনহুবু রারকপা ওম্বা নিতি, নেতাগী মমুংদা নিতি লৈতবা, নিতিগী মমুংদা নেতা য়াওবা নিতিহুনি অহুনিনে অক্বা নিতি হায়বিবসে।

নিতিনা বরকপা ওমদবা নেতাশিংগী নিতি লৈতে। মখোয়গী নিতিদি শাগী নিতিনি। মখোয়হুনি নিতি অদা মচু শংলুরগা অতোপ অতোপ্পা নিতিগী মচু অমুক পামলক্লনা পামলক পামলকপা মচু হনজিল হনজিল শংজিনবদা মশাদা মরাং ভুরাং চুশিন্দুনা ভুট প্রেট মালিবা নেতাশিংসে। নখোয়শুবা ভুট প্রেটকী নেতাশিং অসে ওক্কবদগীনি প্রজা মীয়ম্না লাইহুমিবসে।

কৈরেল ইপা পাখৎলি। মমিৎ মনা ইথক থকৎলি। ভাইহাক লৈরগা অভাওবগুম খান্না খান্না নোকই।

কৈরেল—হা, হা, হা করিনো নখোয়না ভাংজরিবদো? খংভ্র রাজনিতিগী থেংনরিবা লান অসে অচুম্বা য়াওদনা অচুম্বা শাশিন্নহুনা থেংনবা ভাইচাকুনি। প্রজানা য়াম্রে হায়হুনা ফনা লাওরবম্ব ফনা খোংলবম্ব রাজনিতিগী মাই পাকপহুন্নি প্রজানা রাবা হায়রিবসে। হা, হা, হা, ........!

(নোকপা হুম্বরকপদা মপোক্লা পূমভৌ ভ্রোরবা অহল অমগী শকতম অমা মখিৎতা উরকই। শকতম অদু উবদা কৈরেল মরাল লৈরবা অমগুম লৈ। শকতম অদুনা ভাংলকপা মাগী রাখলদা ভারকই।)

অহলগী শক্তম—তাত্রিব্রা, খংত্রিব্রা ইতিহাসতা ইরিবা থাইনগী নিংথৌ পাল্লিভৈগী রারি কয়া? নিংথৌ অমগী হাকতক্তা প্রজানা ইংনা তপ্পা পাল্লম্বা, নিংথৌ অমনা শিনবদা প্রজানা হা হা কার লাওনবা ইতিহাসতা ইরিনে। মপাগী হাতক্তা প্রজাবু লুনা চাননা তোউরম্বদো মচানা শিল্লগা প্রজাবু শাথিনা ওৎপা কয়া য়াওরিনে মসিনিনে সাসন পায়বগা সাসনগা লৈনবা মরিসে। ইতিহাসনা মখোয় মখোয়গী রাজনিতিগী মাই পাকপা হায়বদি সাসন পায়রগা প্রজাবু ওৎ লৈবহু নত্তে। হিংচা য়াইতম্ব-শিংতগা মরুপ ওইরগা প্রজাগী মরল মথুম কয়া লুট তোবা, মীহাৎ মীপুন কয়া তোহুনা লৈবাক অহুবু মীহাৎপুং ওইহনবা ভম্বা অদু নত্তে। প্রজাগী ফংকম থোকপা অধিকার পুম্বা ফংহন্দুনা মুংভাইবা ইংনা তপনা পালহনবা ভমখিবহুনিনে মসিনিনে রাজনিতিগী মাইপাকপা হায়রিবসে।

( কৈরেল মমিৎ মনা চপ য়ুংনা রা ভাংবা থোক্তনা মাইকৈ অদোমদা য়েংহনা লৈ। শকতম অহু মাগী য়াথলদগী মাংখি। অহুগা মালিগী শকতম মমিৎতা উরকই। মালিমা মাভান্দা ভাংখিবশিং অহু ভারকই।)

মালিগী শকতম—ঐহাক লৈকোলশিগী মালিনি। মালিনা ফজনা য়েংশিনবিরবা লৈকোন অমমা কৈদৌ্উৈদন্তু ফজবা য়ারোই হায়বা ঐহাক থংজে। লৈবাক অমগী প্রজাদু লৈবাকী মপি মপানা য়েংশিনবিরবা মত্রগা মপু পাম্রবা লৈবাক্তা কৈদৌউৈ-দন্তু মুংত্তাইবা চাওখৎপা য়ারোই। অদুগুম মালি য়াওরবা লৈকোলম্বনি। মালিনা লৈরাং পাম্বীশিং অসিগী মপি মপানি। লৈকোলদা মালি অমগী দায়ত্ব চাওনা লৈ। ইকং থোক্তনা লৈমাইদা লৈক্রক চংলবদা অরাপ্পদগী ঈশিং চাইহনা লৈথোংদা ঈশিং চাইরি।

মালিগী শকতম—চাওজন থিরবা, কংশিল্লবলবা পাম্বী কয়া মীমান্নবা হোৎনরি। লৈরাং পাম্বী অমত্তদা অচান মীরাই নাইরুদে। মালিনা মুংত্তাইজবদি লৈরাং পাম্বীশিং অসিনা চপ মান্নবা মচু মচুগী লৈরাং কয়া, লৈবাক অমগী প্রজানা চপ মান্না মুংত্তাইনা পানবগুম লৈকোন থুংনা ফুগাইনা শাৎপনি।

( কৈরেল তাবা ওমলক্তহনা "ও" হায়রগা মকোক পারহনা কমথখি। ভাইহাক লৈরগা মমায় হনগৎলপদা লৈবাকলৈ মমাংদা লেপ্তনা লৈরম্মী।)

কৈরেল—( ইফিং ফিংনা ) কনানো নহাক ?

লৈবাকলৈ—থোঙ্গল লিবি।

কৈরেল—মকম অসিদা করি তৌরম লিবনো ?

লৈবাকলৈ—নহাক্না ওংপি লৈবিগ্রবা, মরাল লৈতনা হৎংক্লাশিগ্রবা

কয়াগী খোঙ্গূল লিরমলিবনি। অদুগা নহাক্তৌনা অরোইবা খোঙ্গুল ..... ।

কৈরেল=( করেম্লনা ) হা, হা, হা, লৈবাকসিগী অশিথোং পান্নবী নহাক্তি যম লৈবাক্তা অশিবশিংগী মরম থিগৎচকনবা লৈবাক অসিগী মীহুৎ ওইনা থাবিরনি। মরুমদুদা ননিং তৌনা অশিবগী রারি ইরুরো, লাইরিক ফোংলুরো '

( খুংলৈ থুনা পিস্তোল শৎলি। লৈবাকলৈ থৌশাদনা লৈ। কাপকে তৌবদা লৈ মরুমদগী মণ্ডালম্না চোংথোরক্লুনা কৈরেলগী মখুৎ লৈথেকই পিস্তোল খুল্লি। )

মণ্ডালম্না—(কৈরেলগী মবুক্কগী থাং শৎতোক্লুনা থুমনা থিল্লি। ) ইতিহাসনা প্রজাশিংবু ওৎ নৈবা হিংচা য়াইতম্বা খুদিংমক অম্মুয়া লোইখিবা ডাক্রুনি খংও ।

কৈবেল - ( "ও" হায়দুনা তুম্ভুগা য়াম্না রানা ) নথোয় ঐগী চেকশিন্না ডাক্লুনা লৈরিবা মফম অসিদা করম্না চংলক্লুনা লৈরম্লিবনো ?

মণ্ডালম্না—( শাওনা ) রারি তাদবা, লাইরিক পাদবা শা হিংচাবশিংগী চেকশিন্না ডাক্লুনা থমলিবা কোন্নুংদুদি য়েৎতুম মখুলমুক্তং হোবদা হনুমানকাও চংবা চনবনিনে।

( থাংনা অমুক্তা থিলজিল্লি কৈরেল থরো থরো ওন্দুনা থাংলমলগা শিথি। )

( মণ্ডালম্না লাওরকই ) চৎপ্রো নরক্তা চৎপ্রো। মী ওইরগা শারমচৎ চৎপা নথোয়দি মপোক মপোক খুদিংমক্তা নরক্তা লৈরুরো।

লোইরবা।

